www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,427 | 22 Carat/g : ₹ 13,515 | 1 Kg Silver : ₹ 2,23,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,190 | WEATHER: Sunny | Temperature 29/16°C | Sunrise: 05:12 AM Sunset : 04:48 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Page 3 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 305 | IMPHAL, FRIDAY, OCTOBER 16, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, মেরাগী ৬নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

### চছাদতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এম এল এগী কনভোই থীংলকখ্রে

## এ আর মণিপুরদা লল্লোনবা লাকপনি ইরাং থোক্লবসু লোৎলগা লৈখিগনিঃ লৈসিয়ো



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা হন্দক থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক য়েংশিনবা চৎলুবা এম এল এ লৈসিয়োগী কনভোইনা হল্লকপগী লম্বীদা চছাদ মপাদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা লোয়নননা কুকি মীওইশিংনা অথিংবা পীরকখ্রে। মফম অদু লান্থোক্লবা এ আরদগী মতেং নীরুবদা মতেং পাঙলকখিদ্রে।

এ আরদি মণিপুরদা লল্লোনবা লাকপনি, টিম্বর, ক্বা সুপারি মরুগী লল্লোনবা নত্তনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা মীৎয়েং চঙদে, ইরাং থোক্লবসু লোৎলগা লৈখিগনি হায়না ফুংয়ার এ সিগী এম এল এ লৈসিয়ো কৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ১২দা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা চৎখিবা এম এল এ লৈসিয়োগী খোঙচৎকী হল্লকপগী লম্বীদা থৌদোক অসি ঙসি থোকখিবনি। এম এল এ লৈসিয়ো অমসুং মহাক্কী কাংবুনা হন্দক কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এটেক্ট চত্থরক্তুনা নাগা ফুরুপকী মীওই কয়া হাৎখিবা নিংচৌ খুল য়াওনা কাংপাৎ খুল্লেন, কাংপাৎ খুনৌ, নম্বীসানচিংবা ম্যান্মারগা তাইনবা লমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি। য়েংশিনবা অদু লোইরগা ঙসি হল্লকপগী লম্বীদা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা অদুৱাইদা এম এল এগী কনভোই অদু চছাদ মপা য়ৌরকখিবনি। মফম অদুদা কুকি খুঞ্জাশিংনা এম এল এ অদু চছাদ ফাওরগা চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরকখি। মফম অদুদা সেক্যুরিটিশিংনা বাইনোকুলর ...মখা লমায় ৫দা...

## মকুই মীহাৎতা চেন্নবা খুদিংমক ফাগনি হাৎনবনা ৱারোইশিন পুরক্লোইঃ গোবিন্দাস



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

সপেন্সন ওফ ওপরেসন (সৃ) গ্রুপ্তা লৈবা ওইরবসু মকুই মীহাৎতা চেন্নবা খুদিংমক ফাগনি। কাংলুপ মশেলগী মরক্তা হাৎন–শুনবনা ৱারোইশিন খক পুরক্লোই হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফুদ পোইজনিং ওইরম্বা য়াই হায়না চেন্নবা থৌদোক্তা ইম্ফালগী রিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরিবা বি এস এফ পার্সোনেলশিংগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনবা লাকখিবা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়, সৃদা লৈবা গ্রুপ ওইরবসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মকুই খুলগী মীহাৎতা চেন্নবা খুদিংমক ফাগৎতুনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ মশেলগী মরক্তা হাৎন–শুনবনা ৱারোইশিন খক পুরক্লোই। সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি লৈঙাক খক্তনা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লুবগী থৌদাং লৌবা চুপ্লোই। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্কা ৱাখল তামিন্নরবা খক্তদা ইং তপ্পা অমদি তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ওইথোক্কনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা অমদি তমথিরবা ক্রাইম কয়া চত্থরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা অঙম্বা থাক্তা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। হাৎনা শুনবা অমদি ইরাং শাগৎপা হায়বসিনা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোলশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## অজিনপাওগী মাঙখিবা মকোক ফংলে জেনিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে

### ‘চেন্নবশিং ফাদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি’



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ১০দা মকুই নাগা ভিল্লেজদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা চত্থরকপা এটেক্টতা মকোক কল্লগা হাৎখ্রবা অজিনপাও রিংকাংমাইগী থীবা খঙদনা লৈরুরবা মকোক সেক্যুরিটি ফোর্সনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী ফংখিবগা লোয়নননা ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুংদা জেনিমস হোস্পিটালদা পুরক্তুনা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা থাংমোই কিপগেন, দেবিদ হংসিং অমদি সাইলেন হাওকিপ ফাদ্রিবা ফাওবা য়েলহৌমীশিংনা লেপ্তনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না লিয়াংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মথিয়ুচনবাও রিমাইনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১০দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মকুই অমদি তপোন ভিল্লেজদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা চত্থরকপা এটেক্টতা নাগা ফুরুপকী মীচম ৪ লৈখিদবা থৌদোক অদুদা অজিনপাও রিংকাংমাইগী মকোক ...মখা লমায় ৫দা...

### ৱাখলগী চিঞ্জাক

ঐখোয়না থেংনবা খূদোংচাদবা খুদিংমক অদুমক থেংনবা তাবনি, মরমদি পূন্নমক্তু পুন্সিগী শরুক ঙাক্তনি

### ৮শুবা এসেমব্লি মীফম প্রোলোগ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ২দগী ৭ ফাওবা শুপ্নগী সিটিং ৩ খক লৈখিবা হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ৮শুবা মীফম ঙরাং মণিপুরগী গভর্ণরনা প্রোলোগ তৌখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরি রোহিত সাপমনা বুলেটিন পার্ট ২ নম্বর ৫৮ থোক্তুনা লাউথোকখ্রে।

পনবা য়াই, মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ২দগী চত্থখিবা ৮শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীফম অসিদা চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী অহানবা বেটচগী দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট পুথোক্তুনা খন্ন–নৈনরবা মতুং অয়াবা লৌখিবনি।

> পোলিটিক্সনা খুন্নাইগী হীমাই চুম্মী। পোলিটিক্সনা ফুরুপ অমগী লাইবক লেপ্পী। পোলিটিক্সতা পুক্নিং চঙসি। পোলিটিক্সতা ঐখোয়গী পুন্সিরোল ওইসি।
>
> – ময়োল

## মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবগী মায়োক্তা কৌখিবা সটদাউননা মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা নম্ফুদা খুৎয়েক পীহন্দুনা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নমদুনা তিলহনখিবা কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫বু নীংশিংদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা কোরকোম য়াওনা তোঙান–তোঙানবা লালহৌ লুপশিংনা কৌখিবা পুং ১২গী টোটেল সটদাউননা মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

টোটেল সটদাউন অসিনা মরম ওইরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা লল্লোন ইতিক্কী মফমশিং থোং লোন্নখি, পেসেঞ্জর গাড়ীশিং চেন্নখিদে, মহৈলোয়শঙশিং অমসুং বেঙ্কশিং থোং লোন্নখি। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং থোং হাংলবসু এমপ্লোয়িশিং ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈবাক মাঙবা য়াবা খোঙজংশিং চঙশিন্দ্রিঙৈদা ঐখোয় পূন্না খন্থমিন্নদুনা থবক তৌমিন্নসিঃ খেমচান্দ



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক মাঙগদবা খোঙজংশিং চঙশিন্দ্রিঙৈদা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ৱারোইশিন হান্না থীনবা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক অসিগী মতমদদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মেদিকেল কোলেজ শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী টাদুবি লোকেল গ্রাউন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, বন্দ ব্লোকেদ তৌবনা চৈথেং পীরিবা অসি লমদম অসিগী নোংমগী চারা তাল্লিবা মীওইশিং অমদি মহৈরোই খুন্নাই খক্তদনি।...মখা লমায় ৫দা...

## বি এস এফ পার্সনেল ৭৫, দ্রাইভর ৩ রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ফুদ পোইজনিংনা মরম ওইরগা বি এস এফ পার্সনেল ৭৫ অমদি সিভিলিয়ান দ্রাইভর ৩ রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ইন–চার্জ ডা. মোইরাংথেম রামেশ্বরনা হায়, পেসেন্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মখোয় অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট চারবা মতুংদা মতম খরা কান্নরগা ওবনচিংবা পাক্তক্লনা তৌরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি। হোস্পিটালদা মীওই ৭৮মক মেদিকেল এগজামিনেসন চত্থদুনা মথৌ তাবা হীদাক লাংথকশিং থারে। হৌজিক্কী ওইনা থোয়না খূদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভম লৈত্রে। অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট চারবা মতুং অসুন্না তৌরকপা ওইবনা ফুদ পোইজনিং নি হায়বা য়ারোই। অদুবু চীঞ্জাক অদুদা করম্বা টোক্সিক ওইবা পোৎ য়াওবগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। লেবোরেটরিদা এগজামিনেসন ...মখা লমায় ৫দা...

## দিল্লি পুলিসনা সমোন তৌরকপদগী এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজম দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট কেসকা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা ৱাহং পাউহং তৌনবা সমোন তৌরকপদগী লোক সভাগী মেম্বর ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এম পি বিমোলনা দিল্লি চৎনবগীদমক ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মফম অদুদা মাঙজৌননা ঙায়দুনা লৈরম্বা মহাকপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা তরাম্না ওকখি। ওজা বিমোলদা মরাল শীবা য়ানিংদে, ওজা বিমোলনা য়াইফরে হায়বা খোল্লাও কয়া লাউদুনা এম পি বিমোলগী পূক্নিং থৌগৎখি।



ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা এম পি বিমোলনা পাউমীশিংদা হায়, মহাক্কী মথক্তা ...মখা লমায় ৫দা...

### লোইরেদনা

রুল্লিং ওপোজিসন খায়দনা চপ মান্নরগা ইরাং লোইনবা লমদমসে কন্নবা হোৎনগেদি খন্দে, লাওনদনা লৈনে



কদাইদগী খুড়া, লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিগী খুৎলাইনিনে ইরাংসে

### হেক্তা হায়জিনবা

#### লীলাগী নিংথৌ

ওইজরি লীলাগী নিংথৌ
দিল্লিনা য়ানবা চৎলগা
তৌ তৌ হায়দু তৌরগা
ইথৌ ইঙম য়াওদনা
ইৱা ইচৎ চৎতনা
ভাসোন খরা থাদরগা
হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙলগা
ওইজরি লীলাগী নিংথৌ
ঙমজদে কৈসু তৌজবা নত্তনা
চীননা ঙাঙজবা নত্তনা
খঙদনা মরি লৈনবা লৈনদবা
কৌবনিনা ঐসু মীওইবা
খঙজে কনানা করি হায়রিবা
তাজে কনানা করি চৈরিবা
খাঙজরিবনি ঙন্নবা পূন্নমক
ওইবনিনা লীলাগী নিংথৌ
ওইজরি লীলাগী নিংথৌ

## ফাইকোদা নুপী অমা শিরম্লগনি থাজনরি, ২না থীবা খঙদনা লৈরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ফাইকো খুলদা মখোঙ অনী পানবা গাড়ীদা তঙাইফদবা পোৎচৈ লৈবা চৎলিবা মীওই ৪গী মথক্তা এন এস সি এন–আই এমনি চীংনবশিংনা এম্বুস চত্থরকখিবদগী হতনৈকিম হাওকিপ কৌবী নুপী ১ শিরম্লগনি হায়না থাজনরি। অদুগা মীওই ২না থীবা খঙদ্রি হায়রি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম চাওরাক্লা পুং ৪দগী ৫ ফাওবগী মরক্তা এটেক্ট অদু চত্থরকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই অমসু অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

## মণিপুর হায় কোর্টতা মেন্টেল হেল্থ এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নিঙোল কলেক্টিব অমদি লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলনা মণিপুর হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসনগা খূৎশন্নদুনা লাইওন্স ক্লেষ্ট ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী বেনর মখাদা মণিপুর হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা মেন্টেল হেল্থ এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

প্রোফেস্নেল অমদি পর্সোনেল লাইফতা মেন্টেল হেল্থকী এৱেয়ারনেস পীনবা পান্দমদা ‘লেটস টোক্ক, লেটস লিসন, লেটস সপোর্ট’ ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘কাঙলোন ঙাক্তুবদি সার্টিফিকেট পীরোই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

লৈরিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্তুবদি অইবশিংদা ক্লিয়ারেন্স সার্টিফিকেট পীরোই হায়না সিনে রাইটর্স এন্দ প্লেরাইটস ফোরম মণিপুর (সি দব্লীউ পি এফ এম)না খঙহল্লক্লি।

ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি বিনোরঞ্জন ওইনামনা থাদোরকপা ...মখা লমায় ৫দা...

## ইনক্কারি তৌরগা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লোই রিমসকী শোয়রিবা সিষ্টেম শেমদোকউঃ জেএসি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মী শির–শিরগা ইনক্কারি তৌরগা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লোই, রিমসকী শোয়রিবা সিষ্টেম শেমদোক্ত্রিবমখৈ মী কয়া শিখিগনি। বীনারোই মীশিগী মতাংদা ডা. মোইরাংথেম রামেশ্বরনা লোৎলগা লৈবগী মহুৎ জে এ সিগা ৱারি শান্নসি হায়না মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিগী কনভেনর চোংথাম ইবোয়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৩দা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রবা থোকচোম ওংবী বীনারোই মীশিগা মরী লৈননা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর জষ্টিস এন্দ সেফ মার্দরহুদ হায়না মিংথোনবা জে এ সি অমা ঙসি শেমখিবগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৫দা...

## মচোই তারিবশিং তাশিন খোমজিন্দুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা খন্থমিন্নবা চংইঃ সনায়াইমা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মচোই মচোই তারিবশিং অসি তাশিন খোমজিন্দুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা ঐখোয় পূন্নমক্লা ৱাখল খন্থমিন্নবা চংই। খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপশিং অমনা অমগী মপাল তাঙনবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈরোই হায়বসি নৌহৌননা নীংশিংমিন্নবা চুম্মী হায়না য়ু এন এল এফকী হান্নগী চেয়ারমেন নিংথেমচা সনায়াইমা (মেঘেন)না ফোঙদোকখ্রে।




সাউথ ইষ্ট এসিয়া হ্যুমেন রাইটস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়ানা লৌশিনখ্রবা মতুংগী মণিপুরনা চহী ৭৭ শুরকপদা হায়বা হীরমসিদা পেলেস কম্পাউন্দ লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী ...মখা লমায় ৫দা...

EDUCCON 2.0
POWERED BY UNACCO GROUP OF INSTITUTES
EDUCATION BEYOND BOUNDARIES
EDUCCON
Powered by UNACCO Group Of Institutes
For More Information:
+91 - 90773 52953
www.educcon.in

EVENT HIGHLIGHTS

01 PAINTING COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)

02 MULTICULTURAL GROUP DANCE COMPETITION
Category 1: Class I to Class V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: My culture, My identity)

03 DEBATE COMPETITION
Category 1: Class IX to XII
(Topic : AI is a Greater Threat to Humanity Than an Opportunity)

04 STORY WRITING COMPETITION
Category 1: Class VI to VIII
Category 2: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)

05 OPEN REELS COMPETITION
All Age Group (Education Beyond Boundaries)

06 WRITTEN QUIZ COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII

07 SCIENCE / INNOVATION EXHIBITION
Eligible Classes: Class VI to XII (Theme : SCIENCE FOR A BETTER FUTURE)
(Innovation • Discovery • Sustainability • Human Progress)

08 MISS TEEN EDUCCON
Age Group: 13 to 18 years
(Theme: Beauty With Purpose)




09 MANIPURI MODERN SONG COMPETITION
Category 1: Pre Nur to KG
(Rhymes only in group)
Category 2: Class I to V
Category 3: Class VI to VIII
Category 4: Class IX to XII

REGISTRATION DETAILS
Rs. 100/- per participant for Event
Rs. 500/- per participant for Miss Teen
Rs. 100/- per head for group with minimum of 5 members in a group
FORM SUBMISSION CAN BE DONE OFFLINE AT UNACCO SCHOOL KHONGMAN, UNACCO SCHOOL MEITRAM, UNACCO SCHOOL CHANUNG, UNACCO SCHOOL CHANURA

SCAN OR VISIT WWW.EDUCCON.IN FOR ONLINE REGISTRATION

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 25TH OCTOBER 2026.

# ‘মতাং মতম চাদনা ওজা ট্রান্সফার তৌবনা একাদেমিক কেলেন্দরদা চাউনা অকাইবা পীরে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মতাং মতম চাদনা অমদি শক–মাই য়েংদুনা ট্রান্সফার তৌবনা একাদেমিক কেলেন্দরদা চাউনা অকাইবা পীবনা ঙসি লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙশিং নোংম–নোংমগী মনীং হল্লক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না মণিপুর গভর্নমেন্ট সর্ভিস ফেদরেসন (এম জি এস এফ) জিরিবাম ব্রাঞ্চকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম রোমিও সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ট্রান্সফার অমদি পোষ্টিং পোলিসি করম্বা মতমদা হৌগদৌরিবনো, লমদম অমগী তুংগী মহৈরোই কয়াবু শেল্লিবা অমদি তুংগী য়ুম্বীরেল কয়াবু মখুৎ পায়দুনা তাকপী তম্বীরিবা ওজাশিংগী য়াইফনবা লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা ট্রান্সফার অমদি পোষ্টিংগী পোলিসি তৌদদুনা লৈরে। স্কুল অমগী মহৈরোইশিংগী চাং য়েংলগা ওজা থম্বগী মহুৎতা পোলিটিকেলগী খুৎ য়াওবা মানবা অমদি শেল–থুম লৌদুনা ট্রান্সফার অমদি পোষ্টিং পীরব্রা হায়বগী চাউনা চিংনবসু লৈরে।

একাদেমিক সেসন হৌদ্রিঙৈ নৎত্রগা মতম চানা অমসুং চাং নাইনা ট্রান্সফার অমদি পোষ্টিংগী ওর্দর থোক্তুনা শান্তি ওইনা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিংদা অয়েৎ অপন পীদনা তৌবগী মহুৎতা একাদেমিক সেসন হৌরকপা মতমদা ওজাশিং ট্রান্সফার তৌবা অদুগা মহুৎসু থারক্তবা কয়া অসিশিং অসিনা মহৈরোইশিংদা ইরাং থোক্লবা বার্তন তৌবগা পাঙ্খক ওইহন্দুনা তোইনা স্কুল থিংজিনবা অমদি ষ্ট্রাইক তৌবা কয়া অমা থোক্তবা নত্তে। মসি লৈঙাক্কী অশোয়বনি হায়দবা ঙম্লোই। মতম কয়াদগী হৌনা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন অমদি সি এস ও শিংনা ওজাশিং ট্রান্সফার অমদি পোষ্টিংগী পোলিসি মপুং ফানা অমদি নিয়ম চুন্না তৌবীয়ু হায়রবসু ঙসি ফাওবা তৌবা লৈত্রি। মসিনা ইদ্যুকেসনগী লমদা নোংম–নোংমগী শোত্থরকপা নত্তনা করিসু ওইরোই।

অমরোমদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং করম্বা মওংদা মণিপুর লৈঙাক্লা থম্বীরি হায়বদু নৌহৌননা নীং শিংলুরবসু হন্দক জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কম্প্যুটর সাইন্সকী ওজা ১ লৈরম্বদু ইম্ফালরোমদা ট্রান্সফার তৌথোকখি। লোয়ননা ওজা মহুৎ ১সু থারক্তবদগী ঙসি ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন কয়ানা স্কুল থোং লোনশিল্লগা থল্লি। মসিনি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈঙাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং, ওজা য়াওদনা স্কুল অমা রন তৌ হায়রবদি করন্না ক্বালিটি ইদ্যুকেসন নৎত্রগা স্কুল ফগৎহনসি মিসন মাই পাক্কদৌরিবগে হায়বদুদি লৈঙাক্লা পাউখুম পীবীরো হায়না চেরোল অসিদা হায়রি।

# পি এ টি চাদা ২৬.৫ হেনগৎতুনা লুপা ক্রোর ৭৬০ য়ৌরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

আই সি আই সি আই লাইফনা ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২৭ কী অহানবা থা তরুক্কী মনুংদা পি এ টিদা চাদা ২৬.৫ হেনগৎলক্তুনা লুপা ক্রোর ৭৬০ য়ৌরকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্স লিমিটেদকী চীফ ওপরেটিং ওফিসর সিধার্থ মিশ্রানা মখা তানা ফোঙদোরকখি, আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্স লিমিটেদকী বোর্দ ওফ দাইরেক্টরনা ২০২৬ কী সেপ্টেম্বর ৩০ দা থা অহুমগী অরোইবা ফাইনান্সিএল রিজল্ট এপ্রুভ তৌরকখ্রে। ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২৭ কী অহানবা থা তরুকতা রিটেল প্রোটেক্সন সেগমেন্ট অসি চাদা ৪৭.২ হেনগৎলকখ্রে। লোয়ননা এন্যুএটি সেগমেন্টগী ওইনসু চহী খুদিংগী চাদা ৫০.০ হেনগৎলক্লি। রিজল্ট অসিগী মতুংইন্না রিটেল সম এস্যুরদ (পোলিসি এমাউন্ট) চহীগী মতুংইন্না ৩৪.৯ লৈরম্বদগী ক্রোর লাক্ষ ২.৩২ য়ৌরকখ্রে। মসিনা কষ্টমরশিংদা পীরিবা কোভরেজ ওফরগী মশিংসু অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকখ্রে হায়রি।

ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২৭ অহানবা থা তরুক্কী মনুংদা কম্পনিগী ন্যু বিজিনেস প্রেমিয়ম অসি চহী ওইনা চাদা ২৫.০ লৈরম্বা অদুসু ক্রোর ১১.৮২১ দা হেনগৎলকখ্রে। ভেল্যু ওফ ন্যু বিজিনেস (ভি এন বি) দসু চহী ওইনা চাদা ২২.৩ ওইরম্বা অদু মার্জিন চাদা ২৬.০ ওইদুনা হৌজিক ক্রোর ১,২৮৩ য়ৌরকখ্রে। কষ্টমরশিংগী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসি আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্স লিমিটেদকী অহানবা পান্দমনি। কষ্টমরশিংগা লৈনরিবা অফবা মরি অসিনা লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা হেন্না অমুক্কা হেন্না ঐখোয়দা গাইদ তৌবিবা হায়বদুসু ওইরগনি। হৌজিক কম্পনি অসিনা প্রোটেক্সন এন্দ এন্যুটিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ইন্দিয়া লৈবাক্কী ওইনা মথৌ তাবা হান্না মীৎয়েং থম্লমদবা থবকশিংদসু অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌরগনি হায়রি।

# এ আর মণিপুরদা লল্লোনবা ...

*লমায় ১গী মখা...*

শীজিন্নদুনা য়েংবদা কুকি খুৎলায় পায়বশিং চীংথক্তা লৈবা উবদগী কামজোং দিষ্ট্রিক্তা লৈবা এ আরগী হেদ ক্বার্টরদা পাউ পীদুনা কিলোমিটর ১ রোমতমক শাংবা চছাদ খুলগী লম্বী অসি লানবদা মতেং তৌনবা হায়খি। অদুবু এ আরগী কাঙবুনা মতেং অমত্তা পাঙলকখিদে। মতম অদুদা এম এল এগা লোয়নরকখিবা সেক্যুরিটিশিংনা পেত্রোলিং তৌরগা এম এল এ লৈসিয়ো কৈশিংবু কেসপর মনুংদা তোংহল্লগা চছাদ খুল লান্থোরকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এম এল এ লৈসিয়োনা হায়, অসাম রাইফল অসি কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি অমসুং বোর্দর গার্দ তৌনবা লাকখিবনি। হীরম অনিমক্তা মখোয় অসি ফেল ওইরে। মখোয়দা টিম্বর, সুপারি লল্লোনবা নত্তনা অতৈ অমত্তা হন্না য়েংদে। মফম অসিদা লো এন্দ ওর্দর ফত্রবসু ইরাং থোক্লে হায়রবসু মখোয়গী কেম্পতা অদুমক লোৎলগা লৈখিগনি। মফম অসিদা মখোয় লৈরি হায়বগী কান্নবা অসি করিনো। বোর্দর ঙাক্লি হায়রবসু লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লক্লিবা ইনফ্লকশিং অসি মখোয়না থীংফম থোকপনি। অদুসু তৌদনা লো এন্দ ওর্দরসু য়েংদবা মশাগী মথৌ ওইরিবা বোর্দরসু য়েংদবা মরম অসিনা মখোয় অসি লৈরুবগী কান্নদে। মখোয়না মণিপুরদা লাক্লিবা অসি মশা মশাগী পর্মোসন লৌবা লাকপনি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি মশামক্লা হায়রবা ফাওবা অশুক পীকপা চছাদকী মফম অসি কন্ট্রোল তৌনিংদবা অসি লাইবক থীবনি। মসি তৌবগী মহুৎতা মপান্দগী চঙশিল্লকপা কুকি লালহৌলুপশিংগী মতেং ওইনা পাংলগা লৈরে। মণিপুরগী ম্যান্মারগা তাইনবা বোর্দর ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হন্দক থোক্লিবা ইরাং অসিদা এ আরনা ম্যান্মারদগী চঙলকপা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতেং পাংই হায়বসি খঙনরবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা এ আর অসি বোর্দর খুলদা লৈহনগদবা নত্তে। মখোয় অসি লৌথোকখিবনা হেন্না ফৈ হায়খি।

# দিল্লি পুলিসনা সমোন তৌরকপদগী ...

*লমায় ১গী মখা...*

শিরক্লিবা মরাল অসিগী অচুম্বা ৱায়েল শোয়দনা ফংগনি। ঐহাক্লা চৎকদৌরিবা অসি হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা মণিপুর মীয়ামগী মথক্তা চত্থরক্লিবা ইনজষ্টিশশিং অদু থেংননবগী অহৌবা খোঙথাংনি, চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

পনবা য়াই, সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট তৌই হায়বগী মরালদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী সেক্যুরিটি ওফিসরনা হৌখিবা তাং ১১দা ন্যু দিল্লিগী বাসন্তকুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা কমপ্লেন অমা থাঙ্গৎলবা মতুং পুলিস ষ্টেসন অসিনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

কেস অসিগী মতুং তারকপা ওইনা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক এম পি বিমোল অকোইজমবু ঙসি বসন্তকুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লবা সমোন তৌরকখিবনি।

# মচোই তারিবশিং তাশিন খোমজিন্দুনা ...

*লমায় ১গী মখা...*

মীফমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথেমচা সনায়াইমনা পাউমীশিংদা হায়, কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা ইন্দিয়ানা নমথাক নম্ফুন্দা মণিপুরবু লৌশিনখিবা অসি ঙসিদি চহী ৭৭ শুরক্লে। ইনিদয়ানা লৌশিন্দ্রিঙৈ মতমগী মণিপুর অদু করি ওইরম্মী। অদুগা হৌজিক্লা করি ফিভমদা লৈরি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা পূন্না ৱাখল খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংনা অমনা অমগী মপাল তাংদুনা হীংমিন্নবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈরোই হায়বসি খঙমিন্নবা চুম্মী। ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখ্রবা মতুং থৌওং কয়া লেপ্তনা চত্থরকপা অদুনা ঙসিদি কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা হাৎনা শুনহনবগী থৌওং কয়া চত্থহন্দুনা কাঙখোং চাইবা লমদম অমা ওইহল্লে। খুন্দামিনরিবা কাংলুপ ফুরুপশিং অকক্লবা মফম অমদা মাগী মাগী ফুরুপশিং খাইদোক্তুনা থন্নবা থৌওং কয়াসু ইন্দিয়ানা চত্থরকপা মীয়ান্না উরে।

মহাক্লা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুর হেক লৌশিনখিবা মতম অদুদা মনিং মখা তন্না লৈরম্বা লমদম অসিবু লৈবাক অসিগী পার্টি সি ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়াগী চীফ কম্মিস্নারনা লৈঙাকহল্লগা নমথদুনা থল্লকখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিমক্লা অশোকপদা থুম থাকচিনবগা পাঙ্খক ওইহনখিবনি। মসিদা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম্বু ইকায়বা পীবগী থৌওং চত্থদুনা মান্নদবা মীৎয়েং ইন্দিয়ানা হেক হৌবদগী য়েংলকপা অদুগী মমি তাখিবনি। মণিপুর মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী হক নমথদুনা থল্লকপা অদু ঐখোয় পূন্নমক্লা নীংশিংবা চুম্মী। তম্পাক্তা লৈরিবা মীয়াম নীংখা তন্না লম্বী চৎপা ঙমদবগী ফিভমদা লাকপদা নত্তনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন অদুক্কী মতিক মনিং হলহনখ্রে হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙলবা ঙাক্তনি। মচোই মচোই তান্নরিবশিং অসি তাশিন খোমজিন্দুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা ৱাখল খন্থমিন্নবা চঙই। পার্টি অমদি পোলিটিক্সনচিংবা অখুবা ৱাখল্লোলশিং থাদোক্তুনা অপূনবগী ওইবা লৈবাক অমা শাগৎনবা পূন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা আই জি এন টি য়ুগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. হোমেন থাংজম, দি এম য়ুগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ফেরোজ সয়দ অমদি নম্বোল এল শানোই কোলেজকী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ফেকলটি ডা. নিঙোম্বম শ্রিরিমাসু শরুক য়াখি।

# অজিনপাওগী মাঙখিবা মকোক ফংলে...

*লমায় ১গী মখা...*

কক্তুনা হাৎলবা মতুং মশা ফংলগা মকোক থীবা ফংদনা লাকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল (জে টি সি)না পুং ৪৮গী মতম থারগা মাঙখ্রবা মকোক পুথোরক্লবা খঙহনখিবনি। মদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম চৎপা মতমদা অজিনপাওগী মকোক সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংনা ফংদুনা জেনিমসতা পুরকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী অশিবা হকচাং জেনিমসকী মোগতা থমদুনা অজিনপাওগী মকোক ফংদ্রিবা ফাওবা পোষ্ট মোর্টেম তৌবা য়ারোই হায়না থীংদুনা লাকখিবা অদু মকোক ফংবগা ইরোইননা ঙসি অয়ুক পোষ্ট মোর্টেম চত্থখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম মখানদা পাঙথোক্লবা শেম শাবা হৌখ্রে।

জেনিমসকী মোগতা ঙসি লৈখিদ্রবগী ইমুং–মনুংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা লিয়াংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মথ্যুচুনবাওনা হায়, জে টি সিগী দিমান্দ মতুং ইন্না অজিনপাওগী মাঙখ্রবা মকোক ফংখ্রবসু দিমান্দশিং মপুং ফাবদ্রি নৎত্রি। এটেক্ত অদুগী খূজিন থৌরাং চত্থখিবা থাংবোই কিপগেন, দেবিদ হংসিং অমসুং সাইলেন হাওকিপ ফাদ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং অদুমক চঙশিনখিগনি হায়খি।

# কুকি সি এস ও ৱার্কিং কম্মিটি উখ্রুলনা য়ান্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী হৌখিবা তাং ১৩দা সোংফেন খুলদা এটেক চত্থরক্তুনা মীওই ২ অশোকঅপন নংখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়না কুকি সি এস ও ৱার্কিং কম্মিটি উখ্রুলনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা ১৩গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা এন এস সি এন–আই এম অমসুং এন এস সি এন– ই এফ কী কাদরশিংনা সোংফেন কুকি খুলগী উইলিফোইগী ফোরেষ্ট এরিয়া ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা লৌমীশিংদা নোংমৈ রাওন্দ কয়া কাপশিনখি।

থৌদোক অদুদা তোরিবারিদগী ভিম ভান্দারি কৌবা মশাগী চহী ৪৭ রোম শুরবা মীওই ১গী খুৎতা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শোকখি। লোয়ননা ভেহনৈলহিং হাওকিপ কৌবী নুপী ১না থৱায় হিংনবা চেনবদা অশোক–অপন নংখি। এটেক অদু চত্থরল্লবা মতুং কেদরশিং ন্যু হেবনগী মায়কৈদগী চৎখি। এটেক অসি চত্থরকপগী মতাংদা হকচিন্না লৌবা য়াবা ৱাফম অমনা থা অসিগী হৌখিবা তাং ৬তা তাং খুল নাগালোং ৱার্কিং কম্মিটিনা তাং খুল নাগা অটো লোংফাংগী খূত্থাংদা য়ু এন সি গী মীং শীজিন্নরগা দাইরেক্টিভ অমা থোকখি। মদুদা পল্লিবা মরু ওইবা ৱাফমদি তাংখুলগী তোঙান–তোঙানবা খুলশিংনা নাগা ভিলেজ গার্দ (এন ভি জি) গীদমক নুপা ৪৫, নাগা সেন্ট্রেল টাক্স ফোর্সকী নুপা ৩৫ অমদি এন ভি জি ইষ্টর্ন কমান্দগী নুপা ১০গী লিষ্ট ১ থোকখিবা তাং ১২ ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি হায়না খঙহনখি। লোয়ননা খনগৎলবা মীওইশিং অদু হৌখিবা তাং ১৩দা হেদ ক্বার্টরদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি। মতাং অসিদা হকচিন্না লৌবা য়াবদি, নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাংৱাইরমদা সোংফেন কুকি খুলদা এটেক চত্থরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, এন এস সি এন–আই এম অমসুং এন এস সি এনই এফকী অপুনবা কেদরশিংনা কুকি–জোগী মীওই ৩ হাৎপগা লোয়ননা খুৎলাই ৪ সোংফেনগী এটেক অদুদগী ফংবা ঙম্লে হায়বা ৱাফম তাংখুলশিংগী ৱাটএপ্প গ্রুপতা শন্দোরকখি। মতাং অসিদা হংনিংবদি, নাগা ভিলেজ গার্দশিং তাশিনখোমজিনবা অমসুং ৱাটএপ্প গ্রুপতা শন্দোরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎফম থোকই। মসিদা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে। এটেক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবদা পুথোক্কদবনি হায়নসু তকশিল্লক্লি।

# লৌমী মরুপকী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৌমী মরুপকী ২৪শুবা কনফরেন্স পিশুম চীংঙামখাদা লৈবা পেন্সনর্স ওফিসতা মরুপকী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম থোইবনা লৌমী মরুপকী ময়ায়দা লাঙ্গোল করন লৈবা অঙাংবা ফিরাল হাইগত্তুনা ২৪শুবা মণিপুর লৌমী মরু পকী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অসিদা হৌদোক ৱারোল পীরদুনা মণিপুর লৌমী মরুপ্না এফিলিএট তৌবা ওল ইন্দিয়া কিষান সভাগী জেনরেল সেক্রেটরি বিজু কৃষ্ণননা হায়খি মদুদি বিজেপিনা লুচিংবা এনদিএ লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী মায়োক্তা পাস তৌখিবা অমুবা আইনশিং লৌথোক্কদবনি। মণিপুরী মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা হিজম ইরাবত অসি ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমগী মরুওইনা অসাম, সুর্মা ভেল্লি অমসুং মণিপুরগী লৌমীশিংগী চিংবা ওইরম্বা মীশক অসিগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা অমসুং মহাক্কী লাঙ্গোল কারনগী অঙাংবা ফিরালগী মখাদা লৌমীশিংগী ফগৎনবা থবক তৌরিবা মণিপুর লৌমী মরুপকী ওর্গনাইজেসন অসি মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে। মসিতনা মণিপুরগী লৌমীশিংগী মরাইবক ফগৎহনবতা নত্তনা মণিপুরী খুন্নাই মীয়ামগী থেংনবগী পাঙ্গল কনখৎহনগনি।

মণিপুর লৌমী মরুপকী ২৪শুবা কনফরেন্স অসিনা দাবী ১০ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অমা পাস তৌখি। দাবীশিং অদুদি– মণিপুরদা খূদক্তা শান্তি হঞ্জিলহল্লু, নরেগাগী খূৎশুমল নোংমদা লুপা ৭০০ ওইহল্লু, চহীদা নুমিৎ ২০০ থবক শুহল্লু, মণিপুরগী লৌফম পূন্নমক্তা . চহী চুপ্পা ঈশিং পীনবা থৌশীল অমা পুথোকউ, নেচররেল কেলামিতিগী পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিং পীথোকউ, মণিপুরদা প্রোক্যুরমেন্ট পোলিসি অমা শেম্মু, লৌমীশিংগী পোথোক রিম্যুনরেটিভ প্রাইসতা ফংহল্লু, লৌউ–শিংউগা মরী লৈনবা পোৎচং খূদিংমক্কী মমল হেনগৎলকপা থিংউ, আইদিপি পূন্নমক ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিলহল্ল, লৌশাল লৌমী খূদিংমক্ত ক্ষেতিয়ান পাট্টাপীয়ু, ভারতকী অতৈ মফমশিংগা শন্নহল্লিবা হায়ৱে পূন্নমক মীয়ান্না নীংখা তন্না চৎপা য়াহল্লু, খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা স্কুল পূন্নমক মতমগা চুনবা থাক্তা শেমগৎলু হায়বসিনি।

কনফরেন্স অসিনা মেম্বর ২১ লৈবা ইগজেক্যুটিভ কাওন্সিল অমা খনখি অমসুং নোংমাইথেম থোইবা সিংহবু অমুকহন্না প্রসিদেন্ট, তোঞ্জম সোমোরজিৎপু সেক্রেটরি, সরত সলামবু ভাইস প্রসিদেন্ট, হুইনিং শুম্বম সনায়াইমা, শৈখ অব্দুলা অমসুং থোঙাম জিতনবু জোইন্ট সেক্রেটরি অমসুং থোইদিংজম মেমচাবু ত্রেজরর ওইনা খনখি।

# নুপী এদভাইজর লীশিং ২০ রিক্রুট তৌগনিঃ অমিশ বেঙ্কর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

নৱরাত্রিনা লাকপগা ইরোইননা আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্সনা ইন্দিয়া পুম্বদগী নুপী এদভাইজর লিশিং ২০ রিক্রুট তৌরগনি হায়না লাউথোরকখ্রে।

আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্স লিমিটেদকী চীফ দিষ্ট্রিবুসন ওফিসর অমিশ বেঙ্করনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ফাইনান্সিএল ইয়র ২০২৭ কী ওইনা কম্পনিজ নারি শক্তিগী অখন্নবা থৌরাং অমগী মনুংচন্না নুপী এদভাইজর লিশিং ২০ অসি রিক্রুট তৌগদবনি। পনবা য়াবদি ২০২৬ কী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবদা কম্পনি এজেন্সিগী বিজিনেসকী চাদা ৪৫ গী শরুক নুপী এদভাইজর ৭৮,০০০ হেনবদগী লাকই। এনাউন্সমেন্ট অসি কম্পনিজ নারি শক্তিগী অনিশুবা এনিভর্সরিগী মনুংচন্না লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্সকী ওইনা হৈশিংবদা নুপা নুপী হায়বা খায়দে হায়বসিদা চাউনা থাজবা লৈ। কম্পনি অসিদা থবক তৌরিবা নুপা ইন্সুরেন্স এদভাইজরশিংগী পার্ফোর্মেন্সতসু ইম্প্রুভমেন্ট কয়া লাকখ্রে। নুপী এদভাইজরশিংনদি কষ্টমরশিংগী অনিংবা–অপাম্বা অমদি পুক্নিংগী ওইবা ৱারোল পূন্নমক খঙনা য়ান্না ফজনা চিংথবা লৈতনা থবক তৌরি।

হেন্না শিংথানিংঙাই ওইরিবা ৱাফম হায়রগদি ২০২৬ কী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবদা কম্পনি অসিদা অপুনবা এদভাইরজশিংগী মনুংদা নুপী এদভাইজরনা চাদা ৩২ ওইরি। মুম্বাই, বেঙ্গলুরু, কেরলানচিংবা মফমশিংদদি দেটা অসি এজেন্সি বিজিনেসতা চাদা ৫০ হেন্না ওইরি হায়রি।

# ইনক্বারি তৌরগা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লোই ...

*লমায় ১গী মখা...*

কৈশাম্পাৎ জেল্লর লৈরক্তা লৈবা লৈখিদ্রবীগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এ সি অসিগী কনভেনর ইবোয়াইমনা হায়, থোকচোম ওংবী বীনারোই থা অসিগী ১২গী নুমিদাং পুং ১০ তারকপদা ওপরেসন থীয়েটরদা ইনশিনখিবনি। ওপরেসন হৌখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা অঙাং নুপা অমা উনরে হায়দুনা অঙাং পীথোরকখি। মদুগী মতুং তারকপদা মমাদি মতম শাংনা পুথোরকখিদে।

মতম অদুদা ইমুং মনুংনা ডোক্তরশিংনা হংবদা বেদ লৈতবদগীনি হায়দুনা মতম শাংনা ঙাইহনখি। মদুগী মতুং অহিং য়ৌশিল্লক্লবা মতমদা বি পি ৱাংই হায়রকখি। তুংদা বি পি লো অমুক হায়রক্তুনা আই সি য়ুদা থমখি। মতম অদু ফাওবদা ডোক্তরগী মায়কৈদগী মপুরোইবগী সোই হঞ্জিন হঞ্জিন লৌদুনা মহাক্কী নুপীগী ফিভম অদু খঙহন্দনা থমখি। অদুগা নোংঙাল্লক্লগা লৈখিদ্রে হায়রকপনি। হায়রিবা থৌদোক অসি হোস্পিটাল অসিগী ডোক্তরশিংগী চেকশিনদবনি হায়বা ময়েক শেংনা তক্লি। রিমস হোস্পিটালদা দিরেক্টর অমসুং এম এসকী মরক্তা ফম মুন্নদুনা লৈরগা হোস্পিটাল অসিগী লৈরিবা ডোক্তরশিং য়েংশিন্দবগী মমি অদুমক ময়েক শেংনা উরি।

ওইরিবা ফিভম অসিদা রিমসপু এইমসকী থাক্তা পুখৎকনি হায়রিবসি মঙলান অমগুম থোক্কনি। হৌজিকসু হোস্পিটাল অসিদা লায়েংলিবনি হায়দুনা জুনিয়র ডোক্তর খক্তদা থাদোক্লগা থম্বা অসিনা মখা তানা অসিগুম্বা মীশি মীনা কয়া লেপ্তনা থোক্লকখিগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবী বীনারোইগী হকচাং ঙরাং জেনিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। অদুগা রিমসকী মায়কৈদগীসু ইনক্বরি কম্মিটি শেমদুনা ইনক্বারি চত্থগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈরে। ইনক্বারিগী রিপোর্ট নুমিৎ হুন্নিগী মতুংদা পীগনি হায়না হোস্পিটালগী মায়কৈদগী থল্লক্লি। অদুবু মী শিরগা ইনক্বারি শেল্লগা ঙসি ফাওবা ইনক্বারি রিপোর্ট অমত্তা মীয়াম মাঙদা পুথোকপা অমসুং অচুম্বা উৎপা ঙমদনা লৈরি।

থৌদোক অসিদসু চপ মান্ননা থোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অদুনা লোৎতুনা লৈরিবা ডা. মোইরাংথেম রামেশ্বর থোক্লক্লগা জে এ সিগা ৱারি শান্নবা অদুগা ঈ মতুম ওইনা লৈহৌরিবা অঙাং অসিগী য়েংলগা য়ান্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনসি। মদু নৎত্রিবা ফাওবদি বীনারোইগী অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# লৈবাক মাঙবা য়াবা খোঙজংশিং ...

*লমায় ১গী মখা...* মসি খঙনা লৈবাক কায়গদবা খোঙজংশিং চঙশিন্দ্রিঙৈদা য়ান্নদবা লৈরিবশিং অদু পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্ননবা মতম লৌমিন্নসি। মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী রেভেন্যুদা অদুক্কী মনিং হলহনবতা নত্তনা হীরম কয়দা চৈথেং মায়োক্লহল্লি। চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইগে হায়রবদি ইং তপ্পা লৈহন্দবা য়ারোই। মরম অদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন শোক্কদবা থবক থৌরম চত্থদ্রিঙৈদা হান্না ৱাখল তামিন্নদুনা মাঙ লোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬ রোম অসিনা অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরদগী বর্মিসশিং তকথোকখিবনি হায়বসি নীংশিংবা চুম্মী। ঐখোয় পূন্নমক্লা মাগী মাগী ওইবা ফুরুপক্কী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অহানবদা ঐখোয় পূম্বা ইন্দিয়াননি অদুগা অনীশুবদা ঐখোয় পূন্নমক মণিপুরীনি হায়বা ৱাখল্লোল অসিদা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্লা হায়, পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মতমদা সেনাপতিদা মেদিকেল কোলেজ অমা শানবা হোৎনরগনি। মসিদা নত্তনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খূদিংমক্কী লৈরিবা ইন্টর ভিল্লেজ রোদ (আই ভি আর) লম্বীশিং শেমজিন্নবা বজেটতা তোখায়না লুপা ক্রোর ১০ হাপ্পবা হোৎনরি। নোংমতা ফাওবা লেপ্তনা চহী ২৫ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক থৌগল তৌরকখিবা অদুবু শীংথারদুনা সেৱ সংকল্প অভিয়ানগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি। পি এমনা কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা মশা মরোমদোম লেপ্পা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমগী মঙলান থমদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা পূন্নমক্লা শৌগৎফম থোকই। ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বীদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহন্নবা হোৎনবদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মরাম, টদুবী অমদি মাওগী মীয়ান্না লৌরিবা থৌদাং অদুমতিক থাগৎনিংঙাইনি। লমদম অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদু শরুক য়ারদুনা সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী হান্নগী চেয়ারমেন এ কপানিনসু টদুবী এ সিগী মীহুৎ লৈতবনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা তোঙান–তোঙানবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, মাও য়ুনিয়ন হীল কোওর্দিনেটর, জেমি কাউন্সিল য়াওনা তোঙান–তোঙানবা খুলগী খুল্লাকপশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা লৈঙাক্লা পীবা তোঙান–তোঙানবা স্কিমগী খূদোংচাবশিংসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা মাও য়ুনিয়ন টদুবীগী প্রসিদেন্টনা সি এমদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

# এন পি এস একাউন্ট হাংবগী খুদোংচাবা লৈরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

নেসনেল পেমেন্ট কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এন পি সি আই) গী সবসিদরি কম্পনি ওইরিবা এন পি সি আই ভিম পেমেন্ট সর্ভিসেস লিমিটেদ (এন বি এস এল)না টৎটকাল এন পি এস একাউন্ট ভিম পেমেন্ট এপকী খুত্থাংদা হাংবা য়ারগনি হায়না লাউথোরকখ্রে।

পেন্সন ফন্দ রিগুলেটরি এন্দ দিভেলপমেন্ট ওঠোরিটি (পি এফ আর দি এ) না হৌদোরক্লিবা টৎটকাল এন পি এসকী খুদোংচাবা অসিগী খুত্থাংদা ব্রাঞ্চ অমদা নৎত্রগা অনৌবা দোক্যুমেন্ট চঙদ্রবসু শুপ্নগী এপ অসিদা ষ্টেপ অহুম খক তৌরগা এন পি এস একাউন্ট হাংবা য়াগনি হায়রি।

এন বি এস এলগী মেনেজিং দাইরেক্টর ললিথা নটরাজনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, ওনবোর্দিং প্রোসেসতা বেঙ্কনা অহানবদা ভেরিফাইদ কে ৱাই সি শীজিন্নগনি। য়ুজর অদুনা দেট ওফ বর্থ, ইলিজিবল বেঙ্ক একাউন্ট হাপ্পবা মতুংদা অহানবা এন পি এসকী কন্ট্রিব্যুসন য়ু পি আইগী খুত্থাংদা তৌবা য়াগনি। টৎটকাল এন পি এস অসি ভিম এপকী খুত্থাংদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া,ঐচ দি এফ সি বেঙ্ক, আই সি আই সি আই বেঙ্ক, এগজিস বেঙ্ক, ইন্দসলেন্দ বেঙ্ক অমদি বেঙ্ক ওফ বরোদাগী একাউন্ট হোল্ডরশিংনা হাংবা য়াগনি। চহী খরা অসিগী মনুংদা অতোপ্পা বেঙ্ক কয়া অমসু য়ারকখিগনি হায়রি।

# এসি ৪দা এনরোলমেন্ট দ্রাইভ চত্থরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার / দিপ্যুটি কম্মিস্নার এঞ্জেলিন রেনিতা আর (আই এ এস)কী ওভরওল সুপরভিজন মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা এসি ৪ দা স্পিসিয়েল ভোটর এনরোলমেন্ট দ্রাইভ হৌজিক য়ান্না কন্না চত্থরি।

খোঙথাং অসি ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিং ১০০ দা১০০ শরুক য়াহন্দুনা দেমোক্রেসি অসি মপাঙ্গল কলহন্নবনি। স্পিসিয়েল এনরোলমেন্ট দ্রাইভ অসিগা মরী লৈননা সুগনু, ৱাবগাই, ককচিং অমসুং হিয়াংলম এসিদা ব্লোক লেভেল ওফিসারশিংনা য়ুম য়ুমদা চঙদুনা সর্ভে তৌবা য়াওনা মফম অদুগী মীয়ামশিং এৱার্নেস পীবগী থবকসু চত্থরি। লোয়ননা অহানবা ওইনা ভোট থাদগদৌরিবা নহা ওইরিবা ইলেক্তোর কয়া অমসু দ্রাইভ অসিদা এনরোল তৌবগী থবকসু চত্থরি হায়রি।

# ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ুএফও) অমদি মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকা খূৎশন্নদুনা নোংমগী ওইবা বেসিক ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা সিনাম খুলগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্র, য়ুএফদিগী প্রসিদেন্ট আরকে সনা পারিহল, য়ুএফওগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই মৈরাবা অঙোম, ফায়র সর্ভিস মণিপুরগী সব–ওফিসর ৱাইখোমরনা, ৱাভিল্লেজ ওথোরিটি সিনামগী সেক্রেটরি ৱারেপ্পম ইমো, ভিল্লেজ ওথোরিটি সিনামগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম নোলেন্দ্রো অমদি ভিল্লেজ ওথোরিটি অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি অসেম তোম্বীনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা য়ুএফওগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্রনা হায়, মহৌশাগী ওইবা অমদি খূৎশেন্না থোকহনবা খুদোং থিবা মৈহৌ লাংপোকশিং অদুদগী কনবা ঙম্নবগীদমক মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্ট অসি লৈরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা দিপার্টমেন্ট অসিগী মরু ওইবা মীওইশিং অসি তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিলশিং খঙদবা য়াদে। হায়রিবা স্কিলশিং অসিগী মনুংদা শরুক খরদা ওইরবসু মীয়াম্বা খঙহন্নবগী খুদোংচাবশিং অদু ফংহন্নবা ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পাঙথোকপনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

# মকুই মীহাৎতা চেন্নবা খুদিংমক...

*লমায় ১গী মখা...*য়ারোই। তুং কোইনা চৎনগদবা ইং তপ্পা পুরক্লবা হিংমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংনা মীওইবগী ৱাখল্লোলনা মাঙ থারগা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা ৱাখল্লোলশিং অমগা অমগা পাউ ফাউনদুনা ৱারি শান্নরবা মতুং ৱাখল তামিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংনা অকনবা মওংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তনা চত্থরি। ভাইওলেন্সকী থৌদোক চত্থবদা চেন্নবা পূন্নমক অমত্তা খাক্তনা ফাগৎতুনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবগী...

*লমায় ১গী মখা...* কান্নখিদে। অদুম ওইনমক টোটেল সটদাউন মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউ অমত্তা লৈতে। ইম্ফাল খক্তা নত্তনা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু লালহৌলুপশিংনা কৌখিবা টোটেল সটদাউনগী মমি চাওনা তাখি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী লৈরিবা কৈথেল য়াওনা দুকানশিং থোং লোন্নখি, পেসেঞ্জর গাড়ীশিং চেন্নখিদে, মহৈলোয়শঙ অমসুং লৈঙাক্কী লোয়শঙ অয়াম্বা থোং লোন্নখি। অমরোমদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী টোটেল সটদাউন মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হায়দুনা মফম কয়াদা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখি।

# কাঙলোন ঙাক্ত্রবদি সার্টিফিকেট...

*লমায় ১গী মখা...* চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৫দা সি দব্লীউ পি এফ এমগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং ফোরম অসিগী লৈরিবা রুলস এন্দ রিগেলুসন ঙাক্লা চৎনবা ৱারেপ্পবা লৈরে। কুমজা ২০১৫গী জুনদগী হৌদুনা চৎনরগা লাক্লবা ফোরম অসিগী কাঙলোনশিং ঙাক্ত্রবদি মরি লৈনবা অইবা অদুদা ক্লিয়ারন্সে সার্টিফিকেট ইশু তৌরোই। ফিল্ম অমগী মরু ওইবা কেরেক্টরশিংগী মমিং অদু লোকেলগী ওইবা মমিং শীজিন্নগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মৈতৈ ফুরুপকী কেরেক্টর ওইরগনা মৈতৈ মমিং অদুগা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী ওইরগনা ফুরুপশিং অদুগী চান্নবা মমিং শীজিন্নগদবনি। লোয়ননা মণিপুরি ফিল্মগী মমিং মৈতৈ লোলদা থোনগদবনি হায়না লৈরিবা চৎনা কাঙলোন অদু ঙাক্লা চৎকদবনি। মেম্বরশিংনা করিগুম্বা লৈরিবা চৎনা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্ত্রবদি ক্লিয়ারেন্স সার্টিফিকেট পীরোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# মণিপুর হায় কোর্টতা মেন্টেল ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সেনিয়র এদভোকেট এন কুমারজিৎনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা এদভোকেট ৬০ রোম হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী টেক্নিকেলগী শরুক্তা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. পম্পাক খুমুকচন্না মেন্টেল হেল্থকী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা থমখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা লাইওন ক্লেইজ দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী দিষ্ট্রিক্ট চেয়ারপার্সন লক্ষ্মি রোই, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নিঙোল কলেক্টিবকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম য়াইফবী অমদি লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলগী প্রসিদেন্ট ডা. সনসম সৈত্যবামা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# বি এস এফ পার্সনেল ৭৫, মীচম...

*লমায় ১গী মখা...* তৌনবা পেসেন্টশিংগী ষ্টুল কলেক্সন তৌবগী থবক চত্থরে হায়খি। মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বি এস এফ পার্সনেলশিং অদু ৫৮শুবা বট্টালিয়ন দেল্টা কম্পনিগীনি। মখোয় দিমাপুরদগী ইম্ফালদা ঙরাং থুংলখিবনি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং তাউথোং অফেবীদা লৈবা এ এম আর কন্সত্রক্সন কেম্পসকী টেম্পরেরি সেল্টর অমদা লৈবনি হায়রি।

# পি এম মোদিনা লেহ এয়ারপোর্ট টার্মিনেল য়াওনা লদাখতা লুপা ক্রোর ৩৩৫০গী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে







ন্যু দল্লি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শগোলশেল নুমিৎতা এয়ারপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ষ্ট্রেটেজিক রোদ কন্নেক্টিভিটি, রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং ৱাটর কঞ্জার্বেসন য়াওনা লদাখতা লুপা কেয়ার ৩৩৫০ রোমগী দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ৫ ভর্চুয়েল ওইনা শঙ্গাখ্রে।

ঙসি লদাখকী প্রোগ্রেস অমসুং দিভলপমেন্টতা অতৌবা পন্দুপ অমা হাপচিল্লে। টেক্নোলোজিগী খূৎথাংদা থৌরম অসিদা ঐহাক শরুক য়াবা নুং ঙাইবা পোকই। মরুওইবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়ামরুম ঙসি লদাখতা শঙ্গাখ্রে হায়না পি এম মোদিনা প্রোজেক্টশিং অদু শঙ্গারদুনা হায়খি।

প্রোজেক্টশিং অসিনা মীওই কয়াগীদমক লম্বী চখোক চৎশিন হেন্না কোমথোকহল্লগনি। মফম খরদা ইলেক্ট্রিসিটি ফেসিলিটিজ ফগৎহল্লগনি, অতৈ মফমশিংদা ঈশিং ফংবগী চাং হেনগৎহল্লগনি অমসুং ঐখোয়গী থাইনগী হেরিটেজ ঙাক্তুনা থম্বদা কনখৎহল্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ঙসি শঙ্গাখিবা মরুওইবা প্রোজেক্ট ৫ অদুদি লেহদা কুসোক বকুলা রিম্পোচি এয়ারপোর্টতা অনৌবা পেসেঞ্জর টর্মিনেল অমা, কিমি ২৯৮ শাংবা নিম্মু–পাদুম–দরচা রোদ, ৯৯ এম দব্লিয় হানু হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট অমসুং লেহদা ইনি দয়াগী অহানবা পেট্রোগ্লিফ কঞ্জার্বেসন পার্কতা পৱার ট্রান্সমিসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর, প্রোজেক্ট অমৃত হিম সরোবরগী মখাদা খুন ৪০দা ৱাটর বোদিজ ৪০ নি অসি লেহদা কুসোব বকুলা লুম্পোচি এয়ারপোর্টতা অনৌবা পেঞ্জেজর টর্মিনেল অদু লুপা ক্রোর ৬৪০ চংনা শাখিবনি।

স্কৱার মিটর ২৩৮০০ হেন্না পাক চাওবা অদুনা চহীগী ওইনা পেসেঞ্জর লাক্ষ ৩৫গী থবক তৌনবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

কিমি ২৮৯ শাংবা নিম্মু–পাদুম–দরচা রোদ অদু বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)না শেম্বনি। লম্বী অসিনা মনুং হঞ্জিনবা জলস্কার ভেলি ফাওদুনা হিমাচল প্রদেশতা দরচাবু লেহগী নিমুগা শম্নহল্লি।

লদাখকী আর্কিওলোজিকেল হেরিটেজ ঙাক্লবা লেহগী সিন্ধু ঘাততা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী অহানবা পেট্রোগ্লিফ কঞ্জাবেসন পার্ক অদুসু শঙ্গাখি।

লমদম অসি লমলক্কী শা উচেকশিং, মীওইবগী শক্তমশিং অমসুং সিম্বোলিক ওইবা পোৎশক কয়াগী কার্বিংশিং লৈবা প্রিহিষ্টরি রোক আর্ট চা কয়া লৈ। হায়রিবা হক–খোতু উৎলিবা মশকশিং অদুনা মীওইবগী পুৱারিগী চহী লিশিং কয়াগী শক্তম অদু উহল্লি।

# লুপা ক্রোর ৪১০৬কী দিলশিংদা আই এ এফনা ২শুবা সেটিলাইট, নেভিনা অহেনবা বরুনাষ্ট্র টোর্পেদোশিং ফংলগনি

ন্যুদল্লি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিৎতা লুপা ক্রোর ৪১০৬ লোমগী কন্ট্রেকশিং সহি তৌনখিবগা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (আই এ এফ)না ২শুবা দেদিকেটেদ কম্যুনিকেসন সেটিলাইট অমা অমসুং নেভিনা অহেনবা ইনি দজেনস বরুনাষ্ট্র হেবিৱেট টোর্পেদোশিং ফংলগনি।





জি এস এ টি–৭ সি সেটিলাইট অদুগীদমক ইশ্রোগী কম্মর্সিয়েল আর্ম ওইনা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেস পি এস য়ু ন্যু স্পেস ইন্দিয়া লিমিটেদ (এম এস আই এল)গা লুপা ক্রোর ২৫৬৩গী কন্ট্রেক অদু সহি তৌনখি। লুপা ক্রোর ১৫৪৩গী টোর্পেদো কন্ট্রেক অদু ভারত দাইনেমিক্স লিমিটেদ (বি দি এল), হায়দরবাদকা সহি তৌনখি।

জি এস এ টি–৭সিনা আই এ এফকী ২শুবা দেদিকেটেদ সেটিলাইট অদু ওইরগনি। অহানবা জি এস এ টি –৭ এ অদু চহী ৮গী দিজাইন তৌবা মিসন লাইট অমগা লোয়ননা দিসেম্বর ২০১৮দা থাগৎখিবনি।

মদুনা ফোর্স অসিগী গ্রাউন্দ রাদরশিং, এয়ার বেজশিং অমসুং এয়ারবোর্ন আর্লি ৱার্নিং এয়ারক্রাফকা মরীলৈনহল্লি অমসুং সেটিলাইট–কন্ট্রোল দ্রোনশিং শৌগৎলি।

আর্মিদসু মসিগী কেপাসিটিগী চাদা ৩০ রোম এলোট তৌখ্রে। অর্মি মশাগী সেটিলাইট জি এস এ টি–৭বি অদু মার্চ ২০২৩দা এন এস আই এলগা সহি তৌনখিবা লুপা ক্রোর ৩০০০গী কন্ট্রেক অদুগী মখাদা শারি। নেভিনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা মখোয়গী জি এস এ টি –৭ রুকমিনি সেটিলাইটকী মহুৎশিনবা জি এস এ টি–৭ আর থাগৎখি।

অমরোমদা বরুনাষ্ট্র হায়রিবসি দি আর দি ওগী নেভেল সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিকেল লেবোরেটরি (এন এস টি এল), বিসাখাপতনবদা দিভলপ তৌবা সিপ–লোঞ্চ এন্টি–সবমেরিন টোর্পেদো অমনি। টোর্পেদো অসিনা লোং রেঞ্জশিংদা য়েক্লবগী সবমেরিনশিংগা থেংনবা ঙম্মি হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা হায়খি।

টোর্পেদো অসিনা নোট ৪০গী স্পীদ অমা য়ৌবা ঙম্মি অসুং মিটর ৬০০ ফাওবগী অরুবশিংদা ওপরেট তৌই। য়েক্লবশিংগী সবমেরিনগী কিহনবশিং পল্লদুনা দিফেন্স এক্যুজিসন কাউন্সিল (দি এ সি)না হৌখিবা চহীগী মার্চতা খূৎলাইশিং অদু লৈনবগী অয়াবা পীখি।

ভারত দাইনেমিক্স লিমিটেদ (বি দি এল) হায়দরবাদনা জুন ২০১৯দা লুপা ক্রোর ১১৮৭গী টোর্পেদো ৬৩গী অহানবা ওর্দর ফংখি। ওর্দর অদু পাকিস্টাননা চাইনিজ–দিজাইন হেনগোর–ক্লাস সবমেরিনশিং হাপচিনখিবদগী নেভিনা মখোয়গী এন্টি–সবমেরিন ৱারফিয়ার কেপাবিলিটিজ হেনগৎহনখিবগনি।

মখোয় এয়ার–ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোপলসন লৈ। মদুনা মখোয়বু ঈশিং মখাদা মতম শাংনা লৈবা ঙমহল্লি। অহানবা, পি এন এস হেনগোর অদু জুনদা চাইনাদগী কারাচিদা থুংখি। হৌখিবা থাদা পাকিস্টানগী মিলিটরিনা সবমেরিন অদুদগী এন্ট–সিপ ক্রুজ মিসাইল অমা টেষ্ট ফয়ার তৌখ্রে হায়না মখোয়না হায়খি।

# হিমন্তা শর্মনা ফুদ রিলিফকী থাজবা পীরকখিবা মতুং অখিল গোগোয়না নুমিৎ ১৪নিগী ৱাকৎ–মীফম লোইশিনখ্রে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

অপ্পর অসামদা ফ্লন্দ রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেসনগী দিমান্দশিং অদু গভর্ণমেন্টনা য়েংশিল্লগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্মনা রাইজোর দল চীফ অমসুং শিবশাগর এম এল এ অখিল গোগোয়দা থাজবা পীখিবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা অসাম লেজিসলেটিব এসেমব্লি প্রিমাইজেজদা মহাক্কী নুমিৎ ১৪নিগী ৱাকৎ–মীফম অদু লোইশিনখ্রে।

শিব সাগর, চবাইদিও, জোরহাৎ অমসুং গোলাঘাততা ঈশিং ঈচাওনা শোক্লবা ইমুংশিংদা ইন্টরিম এসিসটেন্সতা লুপা ১৫০০০ থাদোকহন্নবা গোগোয়না দিমান্দ তৌদুনা ওক্টোবর ২দা মাগী মতম কক্তবা প্রোটেষ্ট অদু হৌখিবনি।

মহাক্না শোক্লবা ইমুংশিং





অদুগীদমক অহেনবা শেলগী তেংবাং অমসুং ঈশিং ঈচাওশিং অদুগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) প্রোব অমসু দিমান্দ তৌখি।

প্রোটেষ্ট অদু হন্দোক্লবা মহাক্কী ৱারেপ অদু শন্দোক্লা তাক্লদুনা গোগোয়না চীফ মিনিষ্টরনা পীরিবা থাজবশিং অদুগী মতাংদা থবক তৌনবা তঞ্জা অমা গভর্ণমেন্টতা মহাক্না পীবা পাম্মি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর অদুনা হায়রিবা থাজবশিং অসি পীরবদি গভর্ণমেন্টতা মদু তৌনবগী তাঞ্জা ফংহন্দনা সত্যগ্রহ অদু মখা চথনবা হায়বসি মহাক্কীদমক ওন্না তৈনবা ওইরগনি।

মসিগীদমক ঐহাক্না মনা থাবা পামদে। ঐহাক্না গভর্ণমেন্টতা থবক তৌনবা হায়খি অমসুং ঐহাক্না মদু মনা অদু মখোয়দা পীগনি হায়না গোগেয়ানা হায়খি। পীবা য়াবা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং খুদিংমক্তা লুপা ১৫,০০০ পীবনা এম এল এ অসিগী মরুওইবা দিমান্দনি। গভর্ণমেন্টনা অরোইবা মতম লাউথোকক্রবসু ইমুং কয়ামরুম হৌজিক ফাওবা মতেং অদু ফংদনা লৈরি হায়না মহাক্না হায়খি।

## সনা–সুদোকু–১১০৯গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 6 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 6 | 5 | 3 | 2 | 9 | 7 | 8 |
| 3 | 7 | 9 | 6 | 4 | 8 | 1 | 2 | 5 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 2 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 4 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 |
| 7 | 5 | 2 | 3 | 1 | 6 | 4 | 8 | 9 |
| 2 | 6 | 8 | 1 | 5 | 4 | 3 | 9 | 7 |
| 5 | 9 | 7 | 8 | 6 | 3 | 2 | 4 | 1 |
| 4 | 1 | 3 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 | 6 |

## Crossword # 1168



Across
1. "Two Mules for Sister ___"
5. Headlines
9. Main force
14. Each
15. Wrigley Field slugger, Moises
16. Nimbi
17. Annual Jacksonville event
19. Bobby of tennis fame
20. Wear away
21. Most austere
23. Land buys
26. Turkish title
27. Something to look through
33. Balm target
36. Approach
37. Winter, e.g.
38. Involving the ear
40. Commentator Koppel
42. Baby's word
43. Wimbledon champ Gibson
46. Café ___ (black coffee)
49. Soft diet
50. Subject of many a tabloid photo
53. Spinning toy
54. Delinquent
57. Deviates
62. Chasing
64. Cheerio
65. Office door adornment
68. In a way, renders blind
69. Charge for the club
70. Buffalo's waterfront
71. Possessed, to King James
72. Crib part
73. "___ in the Clowns"

Down
1. Herb of wisdom?
2. Divorced
3. Copter component
4. Like worms or snakes
5. Arrest
6. "Xanadu" group
7. Bedazzles
8. Grand Turk
9. Artillery assault
10. Nemesis
11. Goad
12. Pesters
13. Assay
18. Scout's task, for short
22. Soufflé need
24. Small digit
25. Game with matadors and schneiders
28. "The Faerie Queene" character
29. Terhune's hero
30. Memo letters
31. Word with cream or baking
32. Word with decision or judgment
33. Idle
34. "___ be a pleasure!"
35. Feel sorry for
39. Psi's preceder
41. Saturnine
44. Give over for protection
45. In a tizzy
47. Party purchase
48. Plot differently
51. Goes through the allowance?
52. Ransacks
55. Fixate upon
56. Like some appliances or sleeves
57. Hyphen's bigger relative
58. "It seemed like a good ___ at the time!"
59. Joined the competition
60. They're slithery and may be smoked
61. King of Israel
63. Saxophonist's need
66. ___ culpa
67. It takes things to extremes

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# দিল্লি প্রোটেষ্ট: য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা কন্টেম্প কেসতা সুপ্রিম কোর্টতা লাল্লে হায়জখ্রে

ন্যু দল্লি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

কোক্রোচ জনতা পার্টিনা কৌখিবা ওক্টোবর ১০গী প্রোটেষ্টশিং অদুগী মতাংদা দিল্লিদা মেট্রো অমসুং ট্রেন সার্ভিসশিংগী মথক্তা মপুং ফানা অথিংবা থমদনবা সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক অদু থুগাই হায়বগী মতাংদা কন্টেম্প কেস অমদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি গোবিন্দ মোহননা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা ৱাল্লে হায়জখ্রে।

মকোকথোংবা কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎখিবা এফিদেবিট অদুদা মোহননা ওক্টোবর ১০গী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবা নোংমগীদমক সেলুলার ইন্টরনেট সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌনবা দিল্লি পুলিসতগী য়াজরকখিবা অমা ফংই হায়খি। হায়জরকপা অদু য়েংশিনখি অমসুং লোগী মতুং ইন্না খন্নখি অমসুং লৈবাক্কী কোনুং অসিদা



থোক্লিবা ফিভমগী চাং অমসুং পব্লিক ওর্দরদা অকায়বা পীরকপা থিংনবগী মথৌতাবা অদুগী খল্লগা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমনি হায়না লৌখি হায়না মোহননা হায়খি।

অকক্লবা মতম অমগীদমক অমসুং চৎনবা য়াবা ষ্টেটুটরি সেফগার্দসকী মখা পোন্না ইন্টরনেট সার্ভিসশিং সস্পেন্সন তৌবা হায়বসি চানবা ফিভমশিংদা পব্লিক ওর্দর ঙাক্তুনা থন্নবগীদমক খন্নবা য়াবা রিকগনাইজ তৌবা খোঙথাং অমনি হায়না ঐহাক্না হায়বা অমসুং থম্বা পাম্মি হায়না মহাক্না হায়খি।

চীফ জষ্টিস সূর্য্যকান্ত অমসুং জষ্টিস জে য়মলিয়া বাগচিগী বেঞ্চ অমনা হিরম অদু শগোলশেল নুমিৎতা তারগনি।

বেঞ্চ অদুনা মোহন, দিল্লি পুলিস কমিস্নার অনুরাগ কুমার অমসুং দিল্লি মেট্রো রেল কোর্পোরেসন চিয়ারপার্সন দি তারাদা নোটিসশিং পীখ্রে। ইলেক্টোরেলগী অশোয়বশিংগী মতাংদা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমার রিজাইন তৌনবা দিমান্দদা সি জে পিনা ওক্টোবর ১০দা প্রোটেষ্টশিংগী খোঙজং অমা লাউথোকখিবনি।

# থোঙ লোনশিনবা য়ূম মনুংদা মচানুপা ২, মপা শিনা ফংখ্রে

দিব্রুগর, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী কিং খোংদা কাকাৱানি ব্লোককী খূনদা থোঙ লোনশিল্লগা য়ূম অমদগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মর্দর–সুইসাইদকী চিংনবা কেস অমদা মশাগী চহী ৪২ শুরবা নুপা অমা অমসুং মহাক্কী অঙাং ওইরিবা অঙাং ২গী হকচাংশিং ফংখ্রে।

শিনা ফংখ্রবা মীওইশিং অদুদি বাব্লু কায়রি অমসুং মহাক্কী মচা অনি, উজৱাল কায়রি অমসুং প্রিয়ানসি কায়রিনি। অঙাং অনি অদু চহী ৬ অমসুং চহী ৮ লোমগী লেঙ্গানি। থৌদোক অদু মদুগী মতাংদা পুলিসনা পাউ ফংখিবা মতুংদগী খঙলকখিবনি।

সেনিয়ার ওফিসারশিংগা লোয়ননা পুলিসনা মফম অদুদা চংশিনখি, য়ূম অদুগী থোঙ অদু মনুংলোমদগী ছো লোনশিল্লম্মি। মথৌতাবা ভিদিওগ্রাফিগী প্রোসিদিংস চথরবা মতুং পুলিসনা থোংশিং অদু থুগাইখি অমসুং য়ূমশিং অদুগী মনুংদা চংশিনবদা হকচাংশিং অদু ফংখি।

অঙাংশিং অদুগী হকচাংশিং অদুগী অমা লৈমায়দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা অতোপ্পা অঙাং অমসুং মপাগী হকচাংশিং অদু থৌরি য়াল্লগা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয়গী মীশিংশিং অদুগী ফিভমশিং অদু খঙবা ঙম্নবা ঐখোয়না ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

য়ূমলোন্নবশিং অমসুং অতৈ সাখিশিংগী ৱারোল মতুং ইন্না কায়রিগী নুপী অদু ষ্টেটকী মপান্দা থবক শুবা থা অমা মখায়গী মমাঙদা য়ূম থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মহাক থবক ফংনবগীদমক চেন্নাইদা চৎখিবনি হায়না পুলিসতা খঙহনখি। মহাক চৎখ্রবা মতুংদগী কায়রিনা অঙাং অনি অদুগা লোয়ননা লৈরকখি।

মীশিংশিং অদুগী মরমশিং অদু খঙবা ঙমদনা লৈরি। মর্দর–সাইসাইদ ওইরম্বা য়াবগী মতাংদা থিজিল্লি অদুবু পুলিসনা থৌদোকশিং করি করি থোকখিবগে হায়বা লেপ্পা ঙমদ্রি নৎত্রগা শিখিবা অদুগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

# জর্মনিদা য়ূম মৈ চাকপদা ইন্দিয়ান ৩ শিখ্রে



বার্লিন, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি): জর্মন সিটি বোচুমদা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা ইন্দিয়ান ৩ শিখ্রে। মখোয় ৩ মক কেরলাদগীনি। মখোয় অদুদি ইদুকি দিষ্ট্রিক্কী কতারপানদগী নোভা সোবু ২৫, কোলম দিষ্ট্রিক্টতগী অঞ্জালি সিলা জোয় (২৫) অমসুং এরনাকুলম দিষ্ট্রিক্টকী কলাদিদগী সিভিন জোনি (২৬)নি।

মীহাৎপগী চিংনবদা বিল্ডিং অদুদা লৈবা মশাগী চহী ৪১ শুরবা রোমানিয়ান নেসনেল অমা জর্মন পুলিসনা ফাখ্রে। বোচুম পুলিস ৱাঙাংলোই অমনা মীওই অদুগী মথক্তা মী হাৎপগী চিংনবগী মরমশিং লৈ হায়খি। মহাকপু হোমিসাইদ স্কৱাদতগী ওফিসারশিংনা মচিন হংখ্রে।

বোচুমগী হোফস্টেদে দিষ্ট্রিক্টকী পোষ্ট স্ট্রেসেদা দা মথোল কয়াগী রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং অমদা অয়ুক পুং ৪:১৫ তাবদা মৈ অদু চাক্লকখিবনি। ফয়ারফাইটরশিংনা সেকেন্দ ফ্লোরদা লৈবা এপোর্টমেন্ট অমদা হকচাং ৩ অদু ফংখি। অতৈ মীওই ৫সু শোকখি।

নোবা সাবুনা জুলাই ৩দা জর্মনিদা চৎখি অমসুং জিমবু ট্রেনর পার্ট–টাইম অমা ওইনা থবক তৌখি। সিভিন হেন্না ৱাংবা মহৈ তন্নবগীদমক শুপ্নগী চয়োল ২গী মমাঙদা জর্মনিদা থুংখিবনি। মহাক্কী ময়াম্বা সালবিন জমনিদা লৈ অমসুং মাগী মচে সিমিনা অয়রলেন্দদা লৈ। অঞ্জালি সিলা জোয়না বিএদ দিগ্রী পায়বা অমনি অমসুং থবক অমগীদমক জুলাইদা জর্মনিদা চৎখিবনি। মফম অদুদা ৱ্যারহাউস অমদা থবক তৌই।

# মচানুপাগী মমাঙদা রিটয়ার বিহার ওফিসার কাপ্তুনা হাৎখ্রে, এটেক্করশিংনা মরু ৫ কাপখি

পাটনা, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

বিহারগী ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টতা ক্রিমিনেলশিংগী অতোপ্পা তমথিবা থৌদোক অমদা কষ্টমস দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার ওফিসার অমা মাগী মচানুপাগী মাঙদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অদু মাগী য়ূমগী গেটকী মমাঙদা থোকখিবনি। এটেক্করশিং অদুগী মশক খঙবা ঙমদ্রি।

কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট কমিস্নার অমা ওইনা থবক তৌবা রামকুমার সিংহ (৬৭)দা ৮লক হন্না নোংমৈনা কাপ্লমখি। মহাক ২০১৫দা সার্ভিসতগী রিটয়ার তৌখ্রবনি।

মহাক্কী মচানুপা রাজেশ কুমারগা লোয়ননা মখোয়না অয়ুক্তা খোঙনা চৎলিঙৌদা ক্রিমিনেলশিং অদুনা মহাকপু থৎখি অমসুং হাৎখি।

থৌদোক অদুনা আরাহ সিটিগী মীওইশিংদা শাথিনা থম্মোয় শোকহনখ্রে। নোংমৈ কাপখিবা অদুগী মতুং রামকুমার সিংহ হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু হোস্পিটালদা ডোক্টরশিংনা মহাক হান্ননা শিরে হায়খি।

মাগী ইমুংগী মতুং ইন্না রাম কুমার সিংহনা নুমিৎ খুদিংগী মহাক্কী মচানুপাগা লোয়ননা অনকপদা লৈবা লম্পাক অমদা খোঙনা চৎকনি। শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা খোঙনা চৎনবগীদমক মহাক্না মাগী য়ূমগী গেট অদু লোনশিনখি অমসুং মাগী মচানুপানা কার অদুগী মনুংদা লৈখি। খঙহৌদনা তুংলোমদগী খূৎলাই পায়বা মীওই ৩ থোক্লকখি অমসুং মঙোন্দা নোংমৈনা কাপখি।

এটেক অদুগী মতুং মখোয় চেনখ্রে। মীহাৎ অদু লমগী য়েৎনবা অমা ওইরম্বা য়াই চিংনৈ হায়না পুলিসনা হায়খি। রিটয়ার ওফিসার অদুনা মাগী মচানুপা রাজেশ কুমারগী মিংদা লম কথা ১৩ লৈখি। মীওই খরনা লম অদু মুন্নবা হোৎনখি। মদুদগী মহাক্না পুলিস ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি।

মচানুপা রাজেশ কুমারনা মহাক্কী মহাক্কী মপানা কিহনবা কয়ামরুম মায়োক্লখ্রে অমসুং লমগী খৎনবা অদুগী মতাংদা হৌখিবা মতমদসু এটেক তৌখ্রে হায়খি।

হাৎখ্রবা ওফিসার অদুগী নুপী সুসালি দেবীনা মখোয়গী লম অদু মুন্নবা মীওই খরনা ফেক দোকুমেন্টশিং শেমখি অমসুং মাগী মপুরোইববু হাৎনবসু কিহনখি হায়খি।

# ম্যান্মার, মণিপুর অমসুং বঙ্গলাদেশতগী মীওই ৪০,০০০ চংশিল্লকপা হায়বসি মিজোরামদা ফাইনান্সিয়েল চেলেঞ্জ অমনি: চীফ মিনিষ্টর

আইজোল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি):

মিজোরাম চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা ঙসি হায়খ্রে, ষ্টেট অসিনা ম্যান্মার, মণিপুর অমসুং বঙ্গলাদেশতগী চেল্লকাপ মীওই ৪০,০০০ রোম চংজফম পীরগা থম্বা হায়বসি ষ্টেট অসিগীদমক অচৌবা ফাইনান্সিয়েল অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ান চেলেঞ্জ অমনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা লালদুহোমানা চেনশিল্লকপা মীগী মশিং অদু ঙমখৈদা লৈরিবা ফিভমগী মখা পোন্না হোংদোক হোংজিন লৈ। খরনা ময়ূমদা হনখ্রবা ফাওবদা অতোপ্পা খরা অমনা অমুক থুংলরি।

ইন্দিয়ানা রিফ্যুজি প্রোটোকোলদা সিগ্নেটরি অমা নৎতবনা ঐখোয়না মখোয়বু ওফিসিয়েল ওইনা রিফ্যুজি হায়না কৌদে। ঐখোয়না মখোয়বু দিসপ্লেস পিপল হায়না কৌই হায়না চীফ মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

ম্যান্মারদগী মীওই লিশিং কয়ানা মণিপুর অমসুং বঙ্গলাদেশতগী লিশিং কয়াগা লোয়ননা মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক চংজফম লৌরি।

ষ্টেট অসিদা বাইওমেট্রিক আইদেন্টিফিকেসন সিষ্টেমস অমগী মখাদা মখোয় আইদেন্টিফাই তৌখ্রে অমসুং চিঞ্জাক অমসুং লৈফম পীরি অমসুং মখোয়গী অঙাংশিংগীদমক অঙম্বা এদুকেসন পীরি।

মখোয়না মতম শাংনা লৈবা হায়বদু জিওপোলিটিকেল ফিভমগী মখা পোনগনি। অদুবু মদু ওইরবসু মখোয় ময়ূমদা অমুক হনবা য়াগনি হায়না লালদুহোমানা হায়খি।

মখোয়দা পার্মেনেন্ট সিটিজেনসিপ পীদে লৈরিবা হ্যুমেদিটরিয়ানগী ফিভম অসিনা মখোয়না চংবদা অথিংবা পীবসু লুই হায়না মহাক্না হায়খি।

বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং নন–গভর্ণমেন্টেল ওইর্গেনাইজেসনশিংনা মিজো মীয়াম্না ইন্দিয়া, ম্যান্মর অমসুং বঙ্গলাদেশকা ইথনিক অমসুং কলচরগী মরিশিং মান্নবা মরমদগী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লৈ হায়খি।

বৃটিশ রুলগী মতমদা মিজো কম্যুনিটিবু লৈবাক ৩দা কোঙান তোঙান খায়দোকখি অমসুং মীওই কয়ানা হৌজিকসু কম্মন এদমিনিষ্ট্রেটিব অম্ব্রেলা অমগী মখাদা পুন্না লৈনবা মখা তানা আশা তৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

# পাকিষ্টানদগী পাইশিল্লকপা দ্রোনশিংদা খূৎশু খূৎলাই ময়াম অমা য়াওরম্বা থেংনখ্রে

শ্রীগঙ্গানগর, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি): রাজস্থানগী শ্রী গঙ্গানগর সেক্টরদা ঙমখৈগী পাকিষ্টানগী নাকন্দগী পাইশিল্লকপা দ্রোনশিংনা চাংনাইনা থাদরকপা অতোপ্পা দ্রগ কন্সাইনমেন্ট অমা ওইগনি হায়না রাজস্থান এন্টি–নার্কোটিক্স টাস্ক ফোর্স (এ এন টি এফ)না খনখি। অদুবু মখোয়গী পার্সোন্নেলনা হেন্না মীপাইবা অমসুং অঙকপা খরা থেংনখ্রে।

থাদরক্লিবা পোৎলমশিং অদুদা আর দি এক্স, ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইসশিং (আই ই দি)শিং, পিষ্টোলশিং, রিমোট, দিটোনেসন ইক্যুপমেন্ট, বেট্টরিশিং অমসুং মরু চা কয়া য়াওরল্লে।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা কন্সাইনমেন্ট অদু টেরর এটেক অমগীদমক ওইরম্বা য়াই, মদু লাক্লিবা হরাও কুম্মৈগী ফেষ্টিবেলগী সিজন নৎত্রগা পঞ্জাবতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন মাঙওইননা চথনবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা ফোঙদোক্লি। অদুমওইনমক টার্গেট অদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ওক্টোবর ১২ অমসুং ১৩গী নুমিদাংদা পাকিষ্টানগী মনুংদগী দ্রোন ৩ সেক্টর অদুদা পাইশিল্লকখিবনি।

*সি কে নাইদু ট্রোফি প্লেট (অন্দর-২৩):*

# মণিপুরনা মিজোরাম রন ২৪৮দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

বি সি সি আইগী দোমেষ্টিক সিজন অমা ওইরিবা কর্নেল সি কে নাইদু ট্রোফি প্লেট (অন্দর-২৩)গী গ্রুপ ষ্টেজকী লাল বহাদুর শাস্ত্রী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর অন্দর-২৩ মেন টিমনা মিজোরাম অন্দর-২৩বু চাউনা রন ২৪৮দা মায়থিবা পীখ্রে।

থা অসিগী ১২দগী ঙসি ফাওবা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরনা তোস ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংস লোয়বা ফাওবা ওভর ১০২দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ৩৫৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মিজোরামনা ওভর ৬১.৩দা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ২২১ লৌদুনা মণিপুরদগী রন ১৩২ শোথুনা লৈখি।

মণিপুরনা অনীশুবা ইন্নিংসতা ওভর ৭৭.৩ লোয়বা ফাওবদা ৱিকেট লোয়নমক তুরগা রন ২৬৮ লৌদুনা মিরোজামনা রন ৬২১ লৌবা তাখি। মসিগী পাউখুমদা মিজোরামনা ওভর ৫৭.৪দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইদুনা রন ১৬২ খক লৌবদগী মণিপুরগী মখুৎতা রন ২৪৮দা মায়থিবা নঙখি।

মণিপুরগী অন্দর-২৩ টিমনা অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রনশিং অদু হৈস্নাম মণিকান্তনা বোল ৭৮দা রন ২৩, নিংথৌজম থোইবানা বোল ৫৬দা রন ১৩, সয়েদ হুসেননা বোল ১৮৯দা রন ১২০ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়নননা অকিল অহামদনা বোল ৩৩দা রন ৪২, জোদাসনা বোল ১২দা রন ১৩, নিংথৌজম সঞ্জিৎনা নোট আউটতা বোল ১৪২দা রন ৮১ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি, রিঙ্কু কাঙুজমনা বোল ২৬দা রন ২৬ লৌদুনা রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটচমেনশিং ওইখি।

ইন্নিংস অসিদা মিজোরামগী বোলিংদা দৱাঙানা ওভর ১৪দা রন ৫৪ পীরা ৱিকেট ২, কিমানা ওভর ১৮দা রন ৬৪ পীরগা ৱিকেট ৩ অমদি মার্কস ফ্রেদরিক, জোন লালবিয়াক্কিমা, লাল দাউট লিসানা অমসুং প্রেম লয়াকনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মিজোরামগী অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রনশিং অদুদি টেতিনা বোল ৮৩দা রন ৭৭, জোন লালবিয়াক্কিমনা বোল ১১০দা রন ৩৮, মার্কস ফ্রেদরিকনা বোল ৮৪দা রন ২৭, করন ছেত্রিনা বোল ২১দা রন ১২ মসুং কিমানা বোল ১৫দা রন ১১ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা ওইখি।

ইন্নিংস অসিদা মণিপুরগী বোলিংদা য়ুন্নাম ঙানবনা ওভর ২৪.৫দা মেদন মঙা য়াওরগা রন ৭২ পীরগা ৱিকেট ৭ লৌদুনা দবল হেটেত্রিক লৌখিবগা লোয়নননা নিংথৌজম সঞ্জিৎ অমসুং রিঙ্কু কাঙুজমনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মণিপুরগী অনীশুবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রনশিং অদুদি হৈস্নাম মণিকান্তনা বোল ২১৫দা রন ১০৪ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়নননা নিংথৌজম থোইবানা বোল ৯৩দা রন ৬১ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙমখি। অমদি সয়েস হুসেননা বোল ২৪দা রন ১৫, রোহিট নিংথৌজমনা বোল ২৩দা রন ১০, অকিল অহামদনা বোল ১৫দা রন ১৩, ভিভেকানন্দনা বোল ৬০দা রন ২৬ অমসুং রিওলিননা বোল ৮দা রন ১৫ লৌদুনা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা মিজোরামগী বোলিংদা জোহন লালবিয়াক্কিমানা ওভর ২২ লংবদা মেদন অনী য়াওরগা রন ৭১ পীরগা ৱিকেট ৩, অহমানা ওভর ৬.৩দা রন ১৩ পীরগা ৱিকেট ২, মার্কস ফেদ্রিকনা ওভর ৪দা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি কিমা অমসুং করন ছেত্রিনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংস অসিদা মিজোরামগী বেটিংদা হলিমপুয়ানা বোল ১০৩দা রন ২৪, ভালপুয়ানা বোল ৬৫দা রন ২৫, কিমানা বোল ৫৮দা রন ৪৭, অহমানা নোট আউটতা বোল ৪৪দা রন ২১ অমসুং লাল দুৱাট লিনানা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা মণিপুরগী বোলিংদা নিংথৌজম সঞ্জিৎনা ওভর ১৬ লংবদা মেদন মঙা য়াওনা রন ৩৪ পীরগা ৱিকেট ৪, য়ুন্নাম ঙানবাসু ওভর ২২দা মেদন ওভর মঙা য়াওরগা রন ৫৮ পীরগা ৱিকেট ৪ অমদি অকিল অহামদ অমসুং রিঙ্কু কাঙুজমনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

*দি সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ২০২৬ :*

# চাকপিকারোং ৱাই সি ফাইনেলগী লম্বা ঙায়দুনা লৈখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা দি সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট দিভিজন ২০২৬দা চাকপিকারোং ৱাই সি ফাইনেলগী লম্বা ঙায়দুনা লৈখ্রে।

ঙসি দিভিজন অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল ওইনা শান্নখিবা মেটচতা চাকপিকারোং ৱাই সিনা মোঙ্সাং পন্থা ৱাই সি সিবু গোল ২-০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা চাকপিকারোং ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ আরলিষ্টারনা অহানবা হাল্ফকী ১৬শুবা মিনিট অমদি অনীশুবা হাল্ফকী ৬০শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা চাকপিকারোং ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৪ বেথাহরিং মেটচকী ৬৫শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা ভি এ লোরেন্সনা রেফরি, টিঐচ কোশিংৱারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, আরদি রিংনিদমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, টিঐচ জয়সিংহ্ মোঙ্সাংনা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমদি এন বোলিনা মেটচ কম্মীস্নর ওইনা কন্দক তৌখি।

দষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চান্দোংপোকপী ৱাই সিনা উনোপৎ ৱাই সিবু গোল ১-০দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা চান্দোনপোকপী ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ জাইলিননা মেটচকী ৮৫শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা চান্দোনপোকপী ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১ হোপজয় মেটচকী ৫৮শুবা, জর্সি নম্বর ১০ লুঙির মেটচকী ৮২শুবা অমদি উনোপৎ ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ২১ ফিলিপ মেটচকী ৮৭শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টিঐচ জয়সিংহনা রেফরি, আরদি রিং নিদমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, টিঐচ কোশিংৱারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, ভি এ লোরেন্সনা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমদি এন বোরলিনা মেটচ কম্মীস্নর ওইনা কন্দক তৌখি।

## সঙাই ইন্টর ক্লব জুদো টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর জুদো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা হয়েংদগী সঙাই কপ ইন্টর ক্লব জুদো টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌরগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়াসকী সেক্রেটরী নাওরেম প্রভিননা চীফ গেষ্ট, মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা প্রসিদেন্ট অমদি য়াসকী ডাইরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেতোনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

## ষ্টেটকী সেনিয়র কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল কম ফাইনেল সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

এমেচর কবাদ্দি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা কর্ণতাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৩শুবা সেনিয়র মেন নেসনেল কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ান্নবা ষ্টেটকী সেনিয়র কবাদ্দি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল কম ফাইনেল সেলেক্সন টেষ্ট থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুরাই অঙোম লৈকাইদা লৈবা এ এল য়ু সি প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেটকী সেনিয়র মেন কবাদ্দি প্লেয়রশিং অদুদি অমদাসকামদগী মঞ্জুর, হাবিবুলাহ বুয়াময়ুম, সামির, ইর্ফান অমসু হাসিব অমসুং নাওসাদনি। ভেতোদগী ও রিশিকান্ত, এস অশানন্দ, ঐচ জাহিন্দ্রা, রিঙ্কু অথোকপম, এন বিকাসনি।

এস এল ৱাই ওদগী অবিনাস চিংথাম, ঐচ রাজেসনি। দব্লিউ এস দব্লিউ সিদগী সিঐচ বিদ্যানন্দ, জনারাঞ্জন, কেঐচ নিরঞ্জন, ৱাই কমলজিৎনি। নয়াদগী কেঐচ অর্জুন, কেঐচ প্রিথিবিরাজ, এল অলবিসন, এস বিশেসনি। এ এল য়ু সিদগী এল রেগান, এল বিশোচন্দ্র, এম তাইবংঙানবা, এম পি এস সিদগী ৱাই সদানন্দ, এন প্রেমচন্দ্রনি। সি সি ৱাই পি এ সিদগী রুহন, ইলিয়াস খান, অজয়রুদ্দিননি। এল ৱাই য়ু সিদগী ও জেমস, ৱাই জসৱন অমসুং ও সুনিলকুমরনি।

## এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী থাঙ-তা টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালদা থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ-তা (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থাঙ-তা টিমদা য়াওগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে। শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ১০দা পাঙথোকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ থাঙ-তা (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্টদা মখোয়না পীখিবা পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না খনখিবনি হায়না এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এম য়ুগী থাঙ-তা টিমদা য়াওরিবা নুপী শান্নরোইশিং অদুদি ফূনবা অমগী কেজি ৪৪ মখাদা ইম্ফাল কোলেজগী এন বেনাওনি। অদুগা রিজাভ প্লেয়র ওইনা এম য়ুগী এন লিন্দা চনুনি। কেজি ৪৮ মখাগীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এল মিনারভানি। রিজাভ প্লেয়র ওইনা বিরমঙ্গোল কোলেজগী টিঐচ ভুমিকা দেবীনি। কেজি ৫২ মখাগীদা লিবরেল কোলেজগী এস প্রিয়ানি অদুগা রিজাভ প্লেয়র ওইনা এম য়ুগী এল এনিনি।

কেজি ৫৬ মখাগীদা লিবরেল কোলেজগী এল এলিসিয়া অদুগা রিজাভ প্লেয়র ওইনা ইম্ফাল কোলেজগী এন এঞ্জেলিনা নি। কেজি ৬০ মখাগীদা এনজি মণি কোলেজগী কেঐচ প্রিয়াঙ্কা, কেজি ৬৮ মখাগীদা এন জি কোলেজগী রাসুনি হুইদ্রোম, কেজি ৭২ মখাগীদা ওরিয়েন্তেল কোলেজগী দব্লিউ হেম্বোই, কেজি ৭৬ মখাগীদা এনজি মণি কোলেজগী এল শেল্লি, কেজি ৭৬ মথক্কীদা বিরামঙ্গোল কোলেজগী এন পুজা দেবীনি।

ফূনবা অনীশুবাগী কেজি ৪৪ মখাগীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসঐচ বিদ্যালক্সমি, কেজি ৪৮ মখাগীদা খা মণিপুর কোলেজগী এন সুনিবালা চনু, কেজি ৫২ মখাগীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এল সিলভিয়া চনু, কেজি ৫৬ মখাগীদা ইম্ফাল কোলেজগী মোনিকা থাংজম, কেজি ৬০ মখাগীদা ইম্ফাল কোলেজগী এস সিল্কি, কেজি ৬৪ মখাগীদা এন জি মণি কোলেজগী ৱাই দয়ারানি, কেজি ৬৮ মখাগীদা এন জি মণি কোলজগী কে মেরিনা অমসুং কেজি ৭৬ মথক্কীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম মোনিকানি।

থাঙ হায়বদা বিরামঙ্গোল কোলেজগী লোয়ালেম্বী সলাম অদুগা রিজাভ প্লেয়র ওইনা কুম্বি কোলেজগী ঐচ শাইরিয়ানি। খোঙলোন-খুৎলোনদা মঙ্গোলঙানবী কোলেজগী বি বালমিতা দেবীনি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ১৬গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

## মার্টিয়স ভিজেয় পাল সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

দুৱাহলেন্দদা লৈবা ৬৬শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ানগী দিপুটি কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা মর্টিয়স ভিজে পাল সিংহবু নীংশিংবা ওইনা মার্টিস ভিজে পাল সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৭দগী মথং থা নবেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি দি সি থৌবাল কমপ্লেক্সতা লৈবা বট্টালিয়ন অসিগী কেম্পতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমসা এসঐচ বালিহর সিংহনা হায়, টুর্নামেন্ট অসি তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি ৪দা পাঙথোক্কদবনি। নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট (ওপন), নুপাগী অন্দর ২১ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কেটোগোরি অহুম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱাংজিংদা লৈবা কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অদুগা নুপাগী অন্দর-১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিং খুদিংমক্কী চেম্পয়নদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ / ৩০, রন্নরস অপ্তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০ / ২০, সেকেন্দ রন্নর অপ্তা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০ / ১০, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোলকিপর, বেষ্ট দিফেন্দর, বেষ্ট মিদফিল্ডর অমদি তোপ স্কোররশিংদা শেলগী মান লুপা লিশিং ৩ / ৩গা লোয়নননা ট্রোফি, মেদল অমদি সার্টিফিকেটশিং পীগদৌরি। লোয়নননা শান্নবদা চঙবা টি-সর্ট, সোর্ট, বুটনচিংবা পোৎলমশিংসু লেম্না পীগনি হায়খি।

টিম ১৬না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবিনিংবা এদমিসন তৌহৌদবংনা অকূপ্পা মরোলগীদমক ৯১৪০০৭৩৫১৬দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী হেন্দবোল টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা বিহারগী দারভাঙ্গাদা লৈবা এল এন মিথিলা য়ুনিভর্সিটিদা মথং থা নবেম্বর ২৫দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ অমদি উট্টর প্রদেশকী বনারাসিদা লৈবা বনারস হিন্দুনা য়ুনিভর্সিটিদা মথং থা নবেম্বর ২দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (মেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭দা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

নুপাগী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা য়াওগদবশিং অদুদি গোলকিপগীদা প্রভাবতি কোলেজগী সুরজ অঙোম অমদি এনজি মণি কোলেজগী ঐচ বিজ্ঞানন্দ শর্ম্মানি।

অতোপ্পশিং অদুদি প্রভাবতি কোলেজগী অসেম প্রেমশ্বরী, এ মণিচন্দ্র অমসুং অখাম য়াইখোম্বানি। বি এম কোলেজগী এল হেম্বা, এল বেকখম অমসুং টিঐচ অভিজিৎনি। এন জি মণি কোলেজগী এন শিতলজিৎ অমসুং টিঐচ য়াইফবানি।

রিজাভ প্লেয়র ওইনা বি এম কোলেজগী ৱাই চিংলেনসনা, মণিপুর কোলেজগী রিক্কি লাইশ্রম অমসুং নিভাস ওক্রম অমদি এন বি কোলেজগী ইরোম কেনেদি সিংহনি।

নুপী টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েলদা য়াওগদবশিং অদুদি গোল কিপরগীদা এস এস জি জি কোলেজগী হিদংময়ুম নিতেশ্বরী অমদি এন বিহারি কোলেজগী হিদম সোমি দেবীনি।

অতোপ্পশিং অদুদি এস এস জি জি কোলেজগী ইরোম রোনিবালা, লৈশাংথেম উমাপতি, খাগোকপম মেলোদানি। এন বিহারি কোলেজগী নোংমাইথেম রোবিয়া অমসুং পুখ্রম্বম এলিশা দেবীনি। বি এম কোলেজগী কে ভেরোনিকা, এল লোইদাংতোম্বী অমসুং ঐচ চাউবানি।

রিজাভ প্লেয়র ওইনা এস এস জি জি কোলেজগী ওইনাম নাইদিয়া খুমন, পুজা সাইখোম অমসুং বি এম কোলেজগী এম ভিদ্যানন্দিনিনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সননা য়াওগদবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা এম য়ুগী হেন্দবোল গ্রাউন্দদা ফুল কিটসকা লোয়নননা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া কাং খোং চাইরে: বি এফ এ মেদিয়া

BOXING FEDERATION OF INDIA

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৫, (এজেন্সি)ঃ বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী থৌ পুবশিংগী মরক্তা মুন্নরকপদগী ফেদরেসন অসিগী থবক থৌদৌ পুন্নমক কাং খোং চাইরে হায়না ফেদরেসন অসিগী মেদিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিগী থৌ পুবশিংগী মরক্তা মুন্নরকপদগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহ অমসুং সেক্রেটরী প্রমোদ কুমারনা অমনা অমবু ফেদরেসনগী কন্সটিট্যুসন ঙাক্লা চৎতবগী মরাল শীন্দুনা সস্পেন্দ তৌনরকপগী ফিভম অসি য়ৌশিল্লকপনি।

প্রসিদেন্ট অয়জ সিংহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্রেটরী জেনরেল প্রমোদ কুমারবু শেল থুমগী হিসাব মোৎপগী ইনক্কারি তৌবদা কো ওপরেসন পীদবা অমসুং ওথোরিটি লান্না শীজিন্নবগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখি।

নোংঙাল্লগা য়ূমশাকৈশা নুমিৎতা প্রমোদ কুমারনা অজয় সিংহবু ওক্টোবর ১৮দা পাঙথোক্কদৌবা স্পিসিয়েল বোদি মীটিংদা নো কনফিদেন্স মোসনগী মাঙওইন্না কাউন্টর সস্পেন্দ ওর্দর থোকখি।

প্রসিদেন্টকী মায়োক্তা পুখৎকদৌরিবা নো কনফিদেন্স মোসন অদুদা ফেদরেসন অসিদা এফিলিয়েট তৌবা ষ্টেট য়ুনিটশিংগী মেজোরিটিনা শৌগৎলি হায়না প্রমোদ কুমারনা ক্লেব তৌরি। কুমারনা প্রসিদেন্ট অজয়বু ওক্টোবর ৮দা সিজ এন্দ সোসিস নোটিশ পীরবা মতুং ফাওবদা ফেদরেসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কন্ট্রোল তৌদুনা থম্মী হায়না মরাল পীরি। অদুবু অজয় সিংহনদি মহাক্কী সস্পেন্সন ওর্দর অদু অনওথোরাইজনি অমসুং কন্সটিট্যুসনেল বেসিস য়াওদে হায়দুনা রিজেক্ট তৌখি।

সেক্রেটরী জেনরেলনা প্রসিদেন্টপু সস্পেন্দ তৌবগী ইন্দিপেন্দেন্ট পৱার কন্সটিট্যুসননা পীদে। মরম অদুনা সেক্রেটরী জেনরেলনা সিটিং প্রসিদেন্ট অমবু সস্পেন্দ তৌবগী লেট্টর অসি চৎনবা য়ারোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## প্রো রেষ্টলিং সিজন ৬ মথং চহীগী জনুৱারী ৯ দগী ২৬ ফাওবা দিল্লিদা অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৫, (এজেন্সি)ঃ

প্রো রেষ্টলিং সিজন ৬ মথং চহী ২০২৭কী জনুৱারী ৯দগী ২৬ ফাওবদা ন্যু দিল্লিদা অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি।

সিজন ৬ অসিদা ওলেম্পিয়ান ৩৪, এসিয়ান গেমস অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেদলিষ্ট য়াওনা ৱার্ল্ড ক্লাস নুপা অমসুং নুপী রেষ্টলর ৮৬ রোম্না শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়াদা অমুক হন্না শান্নরগনি হায়না হান্নদগী পানদুনা লৈবা সিজন ৬ অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস কেলেন্দর ঙসি ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকপদা শোয়দ্রে হায়বা খঙলকখিবনি।

সেদুল অসি রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ২০২৭কী জনুৱারী ৯ দগী ২৬ ফাওবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মগী আইকোনিক কে দি যাদব রেষ্টলিং এরেনাদা পাঙথোক্কদৌরি।

ইভেন্ট অসি এসিয়ান গেমস ২০২৬তা মেদল ফংলকখিবা রেষ্টলিং কন্তিজেন্টপু গ্রান্দ ফেলিসিটেসন পাঙথোকপগা লোয়নননা হৌদোক্কনি।

ফি ষ্টাইলগী কেজি ৬৫ কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা সুজিৎ কালকাল, পেরিস ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অমন সেরাৱাটকা লোয়নননা অতৈ মেদলিষ্ট অন্তিম পঙ্ঘাল, নিতেস সিৱাচ, দিপক পুনিয়া অমসুং সুনিল কুমারসু ওক্কদৌরি।




কম্পিটিসন অসি ওলেম্পিক্কী ৱেট দিভিজন ৯দা পাঙথোক্কনি। ৱেট দিভিজনশিং অদুদি নুপাগী ওইনা কেজি ৫৭, কেজি ৬৫, কেজি ৮৬ অমসুং কেজি ১২৫নি।

নুপীগী ওইনা কেজি ৫৩, কেজি ৫৭, কেজি ৬২ অমসুং কেজি ৭৫নি।

টি ভি অমসুং দিজিটেলদা য়েংবশিংগী পূক্লিং চীংশিন্নবা পি দব্লিউ এল সিজন ৬ অসিনা মিনিট ৩গী রাউন্দ অনী ..গী মওংদা মখা চত্থগনি। মতৌ অসুম্না মেটচকী অরোয়বা সেকেন্দ ৬০দা স্কোরিং পোইন্ট অনী থোক্লা হেনগৎহনবা পৱার মিনিটগী ফোরমেট অদুসু অমুক হন্না য়াওগনি। মসিনা মেটচকী মথক্তা চাংদম্নবা অদু হেন্না নুংঙাইহল্লগনি।

প্রো রেষ্টলিং লীগকী চিয়ারমেন দয়ান ফরুকী অমসুং সি ই ও অখিল গুপ্তনা হায়, রেষ্টলিং অসি ভারতকী পুৱারীগা লোয়নননা চৎনরকপনি অমসুং দিল্লিদা সিজন ৬ পুদুনা লাকপা অসিনা অনৌবা ফেনশিংবু শান্ন-খোৎনবা অসিবু হেন্না পাম্নহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়ান গেমসতা মেদল ফংলকখিবা অমন শেহরাৱাট অমসুং সুজিট কলকলনাস পি দব্লিউ এল অসি মখোয়গী পূন্সি খোঙচৎতা অমসুং ভারতকী নহারোলশিংগীদমক য়াম্না মরুওইবা প্লেটফোর্ম অমনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

২০১৫দা হৌদোকখিবা প্রো রেষ্টলিং লীগ অসিনা সিজন ৫দা হরিয়ানা থন্দরস ফাইনেলদা দিল্লি দঙ্গল ৱারিয়সবু ৫-৪দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। সিজন ৬গী ওক্সন মফম অমসুং ব্রোদকাটে পার্টনরশিংগী মরমদা লাক্কদৌরিবা চায়োলশিংদা ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোক্লগনি হায়খি।

## ইন্টর কোলেজ ৱেট এন্দ পৱারলিফটিং টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

লিবরেল কোলেজ লুৱাংশঙবমনা শীন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ৱেট এন্দ পৱরলিফটিং (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ হয়েংদগী হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরবদা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. সিঐচ প্রদিপ সিংহনা চীফ গেষ্ট, লিবরেল কোলেজ লুৱাংশবমগী ওর্গনাইজিং কম্মীটিগী চিয়ারপাসন ডা. দব্লিউ অনিলকুমারনা প্রসিদেন্ট, লিবরেল কোলেজগী ভাইস প্রিন্সিপাল ডা. দব্লিউ প্রদিপকুমার অমসুং রিটিয়ার্দ য়াসকী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর লাইশাংবম অনিতা চনুনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

## নৌনা মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

পোল ষ্টার কোলেজনা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ নৌনা মতম লেপ্তুনা লাক্লিবা নবেম্বর ৫দা খুমন লম্পাক আর্চরি রেঞ্জতা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সবমিসনগী অরোয়বা মতমনা নবেম্বর ৩গী নুংথিল পুং ১ ফাওবা অদুগা মেনেজর মীটিনা নবেম্বর ৫গী অয়ুক পুং ৯.৩০তাবদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অকূপ্পা মরোল পোল ষ্টার কোলেজ হিয়াংলম অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## সেন্ত পাউল হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী এনুয়েল স্পোর্টস মীট ২০২৬ হৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫, (এস এন এস)ঃ

'ফাষ্টর, হায়র এন্দ ষ্ট্রোংগর' হায়বা থিমদা ঙসিদগী সেন্ত পাউল হায়র সেকেন্দরী স্কুল লিৱাংচনিংগী এনুয়েল স্পোর্টস মীট ২০২৬ স্কুল অসিগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখ্রে।

স্পোর্টস মীট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর মামোনি দোলিনা হায়, স্কুল অসিগী ক্লাস ১২কী মহৈরোই চামদা চামা হায়র সেকেন্দরী এগজামিনেসনদা পাস তৌহনবা ঙমবা অসি প্রিন্সিপাল অমসুং ওজাশিংনা মখোয় মখোয়গী লৌফম থোকপা রেসপোন্সিবলিটি অদু লৌবননি। ক্লাস রুমদা লাইরিক তম্বা খক্তা নত্তনা স্পোর্টসনা গেমস স্প্রিট তম্বগী খুদোংচাবাসু পীরি।

মহাক্না মখা তারদুনা শান্নবা হায়বসি মায় পাক্নবা শান্নবা খক্তা নত্তনা থকশি-খাশি তম্বসু য়াওরিবনি। মহৈরোইশিংগী মার্চ পাষ্ট অসি উবদা মহাক্না মহৈরোই ওইরিঙৈ মতম অমুক হন্না নীংশিংহল্লি। মহাক য়েল্লো হাউসকী ওইরম্মী অমসুং মহাক্কী টি-শার্ট অদু হৌজিকসু থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

টেন্নিস প্লেয়র রোজর ফেদর অসি চেম্পিয়ন অমসুং মমিং চৎলবা শান্নরোই ওইরবসু চাদা ৫০ মায়থিবা নঙখি। শান্নবা হায়বসি মায় পাকপা খক্তা নত্তে। মসিনা দিসিপ্লিন শেমগৎপগী মরমদুনি। মায়থিবা থেংনরবসু ইকায় খুম্নবা লৈগদবনি। শান্ন-খোৎনবনা লাইরিক লাইশু তম্বদা অপনবা থোকহনগদবা নত্তে। মীওই অমগী অপূনবা লমচৎ শাজৎ চাওখৎহনবদা মসিনা য়াম্না মরুওই। মহাক্না স্কুল অসিবু মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মখা তানা ফোঙদোখিবগা লোয়নননা এনুয়েল স্পোর্টস মীট ২০২৬ হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী এদিসনেল এস পি (এল এন্দ ও) মিস দিক্সা লাংথাসা আই পি এসনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com